সনরীক-পরেং

ডাঃ নবকিশ্বর খুমন

কোংবা উচেকোন কোলম লৈরক।

এক্স-জেনেরেল সেক্রেটরী,

মনিপুর সাহিত্য সমিতি, ইম্ফাল।

মমল লুপ ৫'০০



973/Mani
LIBRARY.

"কচ্চবা"

কচ্চরী ইমা ওসি
খুয়া খাদা ইমাগী
পওলবা নচানা ইজবা
"সনরাক পরেং" কৌব্বা লাইরিক অসে
লংনদনা লোবীয়্যকো পুকফবী,
অচান মীরাই নাইজবী,
লোথুপ লোকোয় লৈত্তবী,
চংজরকপা খুদিংবু
চংজফম পীবীবী
মীয়োক মীচান ফজবী
তাইবংদা শরুক ওইবী ইমা-ও
লৈচন শুদ্রবা লৈরাংসে
লেপনমক লোবীয়ুকো পলেম-ও।

অইবা—
ডাঃ নবকীশ্বর খুমন
কোংবা উচেকোন, কোজম লৈরক
ইম্ফাল।

ৱাহৈ অমনিদং

Science কী চাওখৎলবা মতম্‌সিদা মীওইবগী লমচৎকী মতাংদদি য়াম্না শাথীনা মরা'ম্ন চায়থরক্লে। মীনা মগী লিচৎ চৎপবু অপ'বা ম'রক তৌন্দব'নি হায়না লৌনরক্লে। শাগী লিচত্তা য়াম্না খুমাং চাওশিল্লবা ঈশ্বরবু থাক্তদনা মীশক অমা ওইরবদি মতমগী ঈচেলগা চুনরবা **Modern World** সিগী মহাও চপচ'না থডলবা মতুগী রস চুপ্পা হৈরবা মীশক অমা ওইনা লৌনহুনা শিংথানরী। থম্মোই পাননা প'ননা থম্মোই পান্দবা পান্দবীগুম ওইননবা হোৎনবদা শা-ঙা কয়া হাৎতুনা শান্নরী। নোনা ইনথংলকপা নহারোল কয়ানা লোননা পৌরাং তৌহুনা কবি থঙজদ্রবী মুপীঙ্গা কযাবু শান্নপোংকুম্না **Sex** কী অপাম্বা ফংননবা তান্নবদা লাকুবীরি শিংনা শাবমথৈ। মরাইবকনীবী কয়াগী পুন্সীদি নোঙীতৈদা থাঙ্‌থক্তা লৈমন চন্দুনা খোংনেংবরবা খুংনাং চারবী চন্নফম থঙদ্রবী ওইহুনা লমখাংদ। মাংন'রিবা অঙকপনি। চংলীবা লমজাও সোরোকসি মী কুংনা চৎপা খুদোং চা'রিমথৈ মী চৎপা য়াবা মুংঙাইরবা লপ্লেলনি। থজীক্তং মী চৌকপা নাইতোম চংপা খুদোং চাদবদা মুপী-অঙাং, অশোল-অনা অমদি মীচং লৈজদবা উপাই লৈজদবশিগীদি মো'ফম্নি, শবাক তমফম্নি, ফী মুনফম্নী। অ'সগুম্বা মতম অসিদা থংম্মাইহগী অসেংব' মুংশিবতবু থোরাংনা তান্নরীবা কনাগুম্বা

অমগী শক্তম্নি কলম্না থাজবীবা। নীংবা কান্নবজনা মশক্নক ওইয়্নু তমথ্রবা মন্নাইবক থীথ্রবা মহাকী ভেংথাথোলসি অমুক্তং মীংয়েং তাবীরবদি ইজমনগী মহৈ ম্নান্নে থজগনি॥

অইবা—
ডাঃ নবকিশ্বর থুমন
কোংবা উচেকোন কোজম লৈরক,
ইম্ফাল।

য়াওফম তাকপা

অরাম্বা চুমথোকপা



"সনরৌক-পরেং"

নিঙমদবগী চৈনা"

ঐগী থম্মোইদা তত্তনা ফাওরকই
মুংশি কাখনা মৈচাক
নিঙমদবগী চৈনাগা ইরোয়ননা।
চাক্লবী মহাক্কা লোয়ননা তীম্মরিবৈ
খোইকম মোমোন মীনোক্কা,
ইরোইনরবা মুংশি মাগী শক্তম
ময়েক লানা ভাবি,
পুক্তমন্ত্রবা থম্মোই লাইযুমদা;
মুংশি ঈপাক্তা চাক্তামীম্মরিবৈ
অপাম কৈথেল কামীরিম্মবৈ
ইশাবী মাগা তৌনখিবা ফাগী কয়াদো
নীংশিংলুবত্তদা × × × ×
মুংশি মীনোক্কা লোম্মননা
ইকাই মুংশি য়াননা
কেজখিবা কয়াদো ইকমলাংদা,
খোঙ্গেল খোক্রুবা ইঙ্গীংকা লোয়নরবী

থম্মোই খোম্বা পাওথুম কয়ানা
ঐবু হুংশিবগী মালংদা
কোইছুম ছুমহুনা ককপ্তাওনথিবী
ঙুম্নমক মথং মথং
হুংশি কায়না মৈচাক্না
চৈথেং পীরবা মতমসিদদি
রাখলগী চাক্লবা মীৎয়েং মমাংদা
শঙ্‌ শঙ্‌ লেপলরী ।
ঐগী নোংহোননা কাম্নরবা থম্মোইবু
থীনগাইহনা হেন্না অন্না মৈচাক পীম্নরী ।
করম্নবু অম্নক রাবা মৈচাকসে থাঙহনা
পুন্সী অসি লেল্লশিগে থল্লুবদা
অমম্বা রাখল ঈপাক্তা ইশা ইত্তোমতবু
হোইথজরী,
ইরাক্লরি ইদোমতা
মেন তাত্রবা নিঙমদবগী চৈনারক্তা ।
অতুক থম্মোই তীম্নরম্বী মহাক্না
হুংশিবগী নীংথীরবা লৈকোন্দা পুশিন্দীরম্নগা
থঙহোদনা মীৎলৈনখিবা
ওম্মোক্না চাকখ্রেদকো থম্মোইসে ;
করম্বা হুংশি নকাদা
কয়াম তীংশোক্নীংঙাই ওইবা

অরানবা তৌগ্রবনো খল্লুবদা
রাথল লৌশিং পুম্নমক
মম্বগী মথক্তা হেন্না মমখ্রে ;
করি মুংগী মুংশি চারবী মঙোন্দা
মাগী মপুক খঙদনা,
হকথী থোক্লবা মওংদা
মুংশি লৎনক্করিবনো
মুংশি মাগী মকাদা শাথীনা
মুংশিববু মমল তীক্কবগুমখ্রেনে
মুজা ওইবী মফমদদি
খুদিংমক ওন্না তৈননা থোকখ্রে।
মুংশি ওইনা রাহৈ কয়াবু
মুজা মাগী মকাদদি
মমল তীক্কবগুম থোকখ্রেদো।
মুংশিবগী মপুক খঙদনা
লক্করুবনা থোইবী মাগী মকাদা
খম্বানা তীমেন তাগা তারোইনন্দা
অরোই য়াহীপ তানখিবগুম
মুংশি মাগী মুংশি কায়না মৈচাক্কা
নিঙঙমত্রবা থম্মোইবু চাকথেক্কুনা
নিঙঙমদবগী চৈনানা অয়েনহুনা
নিঙমহৌত্রবা পুক্নীসে

অসুম লেনবদা তাখ্রেদকো × × ×
থল্লু থল্লুরগা পুবা ম্নাবক্তরে থম্মোইসে
নিঙঙমদবগী মৈরীনা
চিক্লক চীক্লক্লগা
থোইনা হেন্না চাকথংলক্লে
করম্নবু থাঙলসিগেনে
অসুক ম্নাবা মৈচাকসে
কম্নাম কুইনা পুত্থনা
হিংনিংদ্রহা পুন্সীসে হিংত্থনা লৈখিসিগেনে চান্নবা
ওয়োক্লস্থ মপোক থীর্না পোক্লকপোইদকো
.পাকপদগী নীংবা কায়বতনা ইশকক ওইত্থনগা লাক্লবা
অমুকস্থ হরাও মোমোন নোক্লুনা
ফংঙক্লবা পুন্সীসিদা
হবাও মীনোক তমহল্লম্নে নহাক্না
অম্না মৈশা কাওহল্লম্নগা
মীংলৈননা চৎখিবদি
ঐবু করী ওইরসিগেনে ;
নীংবা কাবববা পুন্সীবু
নোহোননা "আশা" পীবীরম্নগা
পুন্সীবু পুন্সী ওইনা উবা ঙম্নবা,
ম্নাখল লৌশিং মঙাল পীরম্নগা
ঐবু অপাম-মংশিগী তাইবং লুপহন্দুনা

পুজা হায়নহু অশি ওইরে হায়বা য়ৌনা
খঙ্গুমজ্রবা ফংঙ্গুমজ্রবা খম্মোইতগী ওইবা
রাখলতনা পুক্রীংতনা ফঙঙম্বা কম্না,
খঙহন-উহনলক্লগা
মুংশি লম্বী খোংদাৱক্লবা মতমদা
কাম্বনা মৈনা চুরম্লগা
নীংঙাইদনা চৎখিবদি × × ×
মুংশিববু শাম্লবগুম্না
অহুক লাইনা লৌহুনা
খাক্লকবা ঐবু,
অকবগী ইপাক্তা লংখবীরম্বদি
অমুক হল্লক্লরোই খল্লুবা পীরাংহু
লাক্লে ঙসিদি নৌহৌননা
নেমখ্রবা মৈচাক
চাকলক্লে লম্মৈগুম্না
খাঙুমজ্রবা খম্মোইদা
অখোমননা পীরক্লে
মুংশি কায়না মৈচাক্কী
মাইখী ঙৌরবা চৈথেংদো
করম্লবু খাঙলশিগে
অমুক বাবা মৈচাকসে
মৈচাকশিবু পুহনা

লেমহৌরিবা পুন্সীসে
করম্মবু লেনসিগেনে,
সুংশি মাগী নিঙ্ঙমদবা মপাওনা
নীংবা কায়রবা ঐগী পুন্সীদা
হেন্না মীংবা কায়রেনে
অরাবদা শরুক ওইয়ু তমখ্রমাল্লে,
লাইবক থীরবা ঐগী মপোকসে .
'করম্মবু তৌসিবা
হিংনীংঙ্গবা পুন্সীসে
করম্মবু হিংলসিবা।
হে তাইবঙ পাম্বা মপু ইবুংঙো
ওস্থোক্লা খঙনীঙঙ্গেদা
"পাপ' চেল্লবা ঐগী অরোইবা পুংক্মদো
ওস্থোক্লা খঙনীংঙ্গেদা
ঐগী অরোইবা মতমদো
ওস্থোক্লা খৌরাংলেদকো ॥
তেংবাম্বা মপুমক্লা কল্লকই হায়রীবা
তাইবং মীওই মপোকসে
নীঙঙমদবগী মৈচাক ফংলবা
কায়নবগী চৈনানা চুরবা
অরা মৈশা লাংবতনা
ঐগী ইশরুক ওইরবা

'লাইবক খীবা ঐঙোন্দদি
কল্লরুীংঙাই করীগু ওইদ্রে ;
মপোক অসি থুনা লোইশিন্নহন্নবু
অচেৎপা লাইনিং ওইরক্লে
অহোম্পা লম্বী উবা যংম্রবা
চংনবগী পাম্বৈসু লৈত্রবা
পীদোল্লবা ঐগীদি
শিবঙবু ঙাইবনা
ঐগী ব্রাখল লম্বী ওইরক্লে ,
হে সিদবা মপু ইবুংঙো
ননাইগী অরাবসে কোকপীরোগবা
ননাইবু কয়াম কুইনা
অম্বুম্না অম্বুম হিংখিগদগেনে
অমুক্তদি ননাইদা
তাকপীরুগবা মপু ইবুংঙো ॥

'খম্মোই'নুংগী নুংশিবা"

খম্মোই'নুংগী নুংশিবা
পাখঙ খরাই ওইরিবী
ওইনচাওবী ওইরমু ;
নুংশি নশক উরুবদা
পাখঙ খম্মোই সুমহৎখিবা ;

করিনুংগী থেংনকবা
লাইবক গীবা পুংফমদা
কয়াম নোংদম থীরমহুনা
নুজ্ঞা ন'বু থেংনরুবা,
নুংশি মৈচাক কংননবা
করী নুংগী নুংশিরুবা।
পাখঙ শরেপ ফারকপদা
নহা পুক্নীং ওইবনা
নহা থম্মোই চেম্বনা
রাখলগী পলেপফম থঙড্রিঙৈ
ককঙাওননা কোয়রুবদা
নুঙ্গা নংবু থেংনরুবা
পাইমা'নুংদা খোইদাকবনো
নুংশি মীৎচানজকবা
থম্মোইদা মমি তাখিবা
থরেপ্পা ওইনা লাৎচকবা
নুংশি নংগী নুংশি শক্তমদো
লোম্মা থুপ্না থম্মোইনুংদা
ওইহৌরে থম্মোই'নুংতগী নুংশিবা
কায়হৌরে থম্মোই পুন্সী'সিগী
নুংশি কাম্বনা পীরাংলক্কা॥

"মুংশি মশক খণ্ডলকপদা"

মুংশি মশক খণ্ডব্রিদৈ
করাম চাকপনো খল্লম্বী
মখোয়গী মুংশি মৈচাক হায়বদো
ওহোক্লা চাকখ্রয়ারে.
মীশিংশে করীনো খণ্ডদে
হায়বী পংহায়দা
চাকএ ঙাওরে
ঐতদি মখাজখিত্রে।
খল্লী অমূকন্থ ইথল্লা
ইনখংলকপা মত্তাংদা
শাবী শানৌ ওইবী করানা
মমল য়াম্লবা মত্তমবু
মুংশি য়াখল তৌহুনা
অরেম্বদা মাংহল্লী মমল য়াওদবগুম ;
শোক্লি ইথল্লা
পংখ্রেলকো মখোয়শিংসে।
অহুবুনে অঙকপনি ভাইবংপান
চীকত্রিবমখৈ খণ্ডদে লীলগী মহু হায়নবগুম
মুংশি ঊপাক্তা খোংদাব্রিদৈদা
পকঙাঙ ঙাঙবা তাগ্রে।

মুংশিবগী তাইবংপানদা
খোংদারুরবা মতমদদি
মীনা হায়নবচুশগী
শাথীরমলে স্নাম্না হেন্না
ওইরম্রে অঙকপগী মশক।
ইশাদা চৈথেং ফংলবা মতমসিদদি
খঙজরে পুম্নমক খঙজরে,
তাইমংপান্নশিদা ফংলিবা
মচা কায়নবগী মৈচাক
নংথিবা মচন-মৌপশা কায়নবা
মমা-মপা ওন্না নোঙাথিবা
মকপ-মপাং শেংনবা
পুম্নমক্কী মুংশি চান্ন কায়নবা
হেল্লমলে পুমহেল ;
তাইবংদা ফংলীবা অরাবশিংগী মমুংদা
অশাম-মুংশি শেংনবদগী হেন্না
লৈরমগদগে করী অমা হায়বা
খঙজরে হৌজিক খঙজরে,
মুপা ওইবগী মপোক্কা পোক্নন্নু ঐদি
রাজগ্রে ওন্থোক্কা
পুবসে মুংশি মৈচাক,
করী মুংগী শাবু থেংনরুবনো।

খল্লুবদা ইদোম
খোইনা হেম্না নিঙ্মদে
খোইনা হেম্না খোইরাংই
থাঙ্ম পুঙ্মদেনে
মুংশি মাগী কায়না মৈচাকসে।
ওহোক্রুসু বাখ্রেদা
সুপা ফনা ওইহুনসু
সুপা থম্মোই চেনওমদেনে
মুংশি মাগী মুংশি মৈনা কনখিবনা।
চেনসু চেন্নীংজ্রে
চেন্নবসু হোৎননীংজ্রে
কৈদৌকপ বনো থল্লে
করীসু হৈনীংবা পোক্তরে।
থম্মোইনা খোইদাঙবা মানা
মুংশি পঙ্গং মৌমিন্নহুনা
অপাম শকলোকনহুনা
তাইবং পুন্সী খোংচত্তা
চংশীন্নবা কংলমোইদবা
মপাং কান্নবা চেক্লাওম্না
পাম্মু শেংনরবা পুন্সীসিন।
করী কান্নবনো থল্লে।
করী কান্নবনো থল্লে।

থীবা কজবা ঐ থওত্রে
ছুপা মানবা মান্দবা ঐ থল্লুত্রে
পুম্মক ঐঙোন্দা
নাচুংত্রে করীম্ম।
সুংশি মাগী মমাংদবু
করী হায়রকদগে থনলুবা
কেম্মীংবা রাথল পোক্লুবনি
করম্বা শাজং চংলগা
ছুপা মানগদগে
অরেম্বা মীশক ওইগদগে
রাথল পুক্লীংগী হৈনীংবা লৈরম্বা,
তুংশি মানা পুন্সীগী তুংওইনথ্রবদা
পুম্মক অরেম্বনি
পুম্মক অরেম্বনি ;
মাবু য়াওত্রবদা
পুন্সীসে মহাও য়াওত্রবা পুন্সীনি
লৈকংলাগী মশক্লী,
শারবা মরুভুমীগুম্বনি,
ইংলবা রাকচীংগী উনথানি ;
নমতা থানা হুক্কন্নম্ম
য়েনীং ফনা মীংথীনা,
হৈপাল-লৈপালশিংনা

তমকুনস্থ হরাও মীনোক কনা
লাক্লরোই ঐগী পুক্লীংগী "বসন্ত"
চোংলক্লরোই বাখলগী মেরীং
কোক্লরোই থম্মোইগী অরাবা পুন্সীসিমগী।
বাখলগী হৌরকফম ওইরীবা
মুংশি চান্নবী মানবু চৎপ্রবদা
লাক্লরোই পুন্সীসিমগী
পুক্লীংগী মুংঙাইবা শকক।
চাক্লবা থম্মোই লাখুমদা
য়েকশ্রবা মাগী মুংশি শক্তমা
স্তামথ্রবী নক্লা লাপশ্রবী মাবু,
তোম্বনা তোম্বনা নীংশিংহল্লুনা
শমূহকচাং পুরীবা
শেম্বী থরাম্ব মঙ্গানা
বান-চাক্ল থাঙ্গজবা
ইশিনজাং ওইরবা ইফমজাংদা
চোংলক্লরোই য়েন্নীং অমুক হন্না
থামতেকশ্রবা মম্মোন
চোংলক্লরোই অমুক হন্না পুন্সীসিমগী॥

"তেংথাখোল"

হে মুংশিবা কৌবা ঈশ্বর
নংনা করীগীদমক্তনো
চংলক্লীবা ঐগী লকামুংদা
করীগীনো ঐবু
য়াহল্লবীবা অস্থক য়াম্না
হে পাপ চেল্লবা মীংম্না
নংনা করীগীদক্তনো
স্থমহৎয়াই চুরবা মাগী মীংয়েংদা
মীংচানহনা ঙাওহল্লীবা ঐবু।
হে পংলবা পুক্নীং নহাক্লা
করীগীনো খল্লুরীবা মাতবু
লেংদ্রবা নঙগী পুক্নীগীনি হাম্বনা
মুংশি খঙদ্রবী মাগী মফমদা
লানথোকল্লুবনা অশেংবা খম্মোই
ফংলেদো ঙসিদি খায়না মৈচাকী অরাবা,
মৈচাক অসিবু পুহনা
খাঙলিদো রানা রানা।
মুংশি তাং ওইবী মাগী
মীস্থম লাইরা য়াওরবা,
খম্মোই খোম্বা রাভাং কয়া,
ককঙাওনহম্বা মীনোক কয়ানা

মরৈতন্নী হিংচাবীগী শকম লৌহুনা
চৌজিক্কী অরাবগী মথক্কা হেম্না অরাবা পীররে।
নীংশিংদবা ওমগ্রবা
মহু চেল্লবা মাগী রাহৈ কয়া
"নঙবু খন্দবস্নু নত্তে, নীঙদবস্নু নত্তে
কয়ারক হন্না হায়খোগে
নঙবু খন্দবস্নু নত্তে, নীঙদবস্নু নত্তে,

× × × ×

ঐহাক চৎলী কোয়রী ঙাওরী,
অহুবু খঙদে মুঙাইফমদি।
মুংঙাইবা হায়বসে
পোল্লী রাখলগী মথা,
চাহুনস্নু ফনা হাওনা
য়াওদে মহাও করীমত্তা
শেৎতুনস্নু ফনা ফজবা
পাংথক্লী উকংদা লৈতেংবগা

× × × ×

পীকখ্রবা 'হু' মরীক খরনা
মমল নাইত্রবা য়াইবী মাংহবগুম
রাখল অমনা খম্মোয়সে
খুগায়রী মচেৎ মচেৎ
ঐনা খল্লীবা রাখলসে

থঙলীৱেহিদকো নহাক্ৰদি.....
পুম্নমক'সিনা চংলক্লনা
চৗক্লৱেনে ঐগী কোকতা,
লৈফম চাফম থঙদৱে।
হে মুংশিবা কৌবা লাই
নহাকসে ওহোক্লন্নু মুংশিহৈতেদকো
কৱীগীনো অহুক য়াম্না মীবু লাক্লবীবনো ,
নহাক্লা ঐগী থম্মোইতবু শুমহৎলগা
ঐতবু মাগী ৱাথলদা ছাওহল্লগা
মহাকপুনা নাথৈহনা কৱীগী থম্মীৱিবনো ?
কবীগী মাগী মপুকথোক্কী ৱা নওবা
মচীন্দা মাইবী চংহনা তাংবা
মুংশি ৱাহৈ কৱাদো।
তাহল্লীবনো পাপ চেল্লবা ননাই ঐতোন্দা
হাৱশিন্নবা নত্তে তশেংবনি
হায়ৱকখি মুংশিহৈতবী মানা
"ঐনদি কৱীম্নু থন্দনা
চীন্দা লাই তোংবদোনা পভাংদা তাংথিবা
পংহান্নদা হায়খিবা
অহুবু পুম্নমক্কু নহাক্লখি .... "
হে মতমগী ঈৱাং লাইৱেম্বীগী
শক্লোন লৌৱীবী,

তা'ইবং চন্নুগী থম্মোই পান্দবী
ন্নপী ওইবগী পুকচেল চেন্দবী
নশানা নশাবু মশক খঙজদবী
নশান' নশাগী য়েক্লবা ওইবী
নশাবু লাংদা থুনবা শিঙবী
ফত্তবা কল্লকচাওবশিংগী
থয়াত্তা তান্নবা শিঙ্গবী
নশাগী য়াইবী থরাইবুস্নু
য়ানা চাক্লা থাওহল্লা ওন্নী,
থম্মোইন্নুংদা অয়া মৈচাক লোংশিল্লগা
মপানথোংদা হয়াও মীনোক তম্না ওন্নী;
নচীন্দা অমা নবুক্কা অমা,
চুম্না য়ান্নী শাম্মরীঙৈদা
নথম্মোইদা তোঙাম্না থোৗরাং তৌবী,
তোঙাম্না পোয়মগী শেমশাবী
ন্নপীগী ন্নপী নত্তবী,
খুদিংমক্কী মফমদা য়ারোঙ্গাওবী,
ন্নুংশি মীনোক্কনা খুদিংমকপু ভাওহল্লী
ময়ান্ন কাবা মীৎয়েংতনা
নঙগী লৈতেং ওইবী,
শেৎতোক চাথোরকপদা
মতমগী ইরাং লমল্লোবী

ভাংখোরকপা ৱাঙাংদা
লাইজ ঈশিং লিংতবী,
নঙবু করীনুংগী থেংনকবনো
পঙলবা ঐনা,
নুংশি মৈচাক ফংনবা
পাঙত্রবা ঐনা থায়না মৈচাক ফংনবা
করীনুংগী ওক্লকবনো
কবিনুংগীনো, ঐ ওস্থোক্না চাকংখ্রদা
অৱা মৈশাশি ফংবদা
মায়থোং থেবুম লাংলেনে,
স্নুংঙাইবা কুম্মৈ কয়াবু উরগা
থম্মোই অসে ইনৌ নৌই,
নী'শিংলকই মাতবু হন্না হন্না
নীংশিংনীংত্রবা মাবু
হন্না হন্না নীঙশিঙহুনা
থোইনা হেন্না ৱাহনজরী (ইদে ম)
ৱাবগী মথক্তা হেন্না হেন্না ইনোংহল্লি,
(অদুবু) ঐগী অৱাবা শকক্ময়সি উবগা
নোক্লী মান্নদি মথৌ পোংনাঃ
নুংশিবা হায়বদু মরীক অমত্তা পক্রুবী
হিংচাবীগী থম্মোই পাল্লবী মানদি,
অসি ফনা থঙ্গহুনস্নু, উহুনস্নু

খঙদে করী মরায় ফাওবনো
মঙমদ্রেনে মাঙবুবি নীংশিংদবা।
করীগুম্বা মীকুপ্তু,
ইংনা চীরা মদোম লৈবদা
উরুবদা চাপী সুংশি চেংলোদো
ফাওই খম্মোইদা তাশোয়া থীঘগুম্ন'
চাক্রুকই খম্মোই লাযুমদ।
সুংশি মাগী কায়ন মৈচাক্না মৈরিথোক্না
কবম্নবু থাঙলসিবা
অম্নুক রাবা মৈচাকসে।
হে সুংশিবা কৌবা লাই
নহাকপু সুংশিবা মশক খঙদবরনে
সুংশি কায়ন মৈচাক ফংহনবগনা
ওইবরনে নঙগী নথৌ'
(নত্রগা) কায়ন মৈচাকী,
সুংশি শেংনবগী অরা মৈচাকপু পীহনা
মীবু শোইহনবতনা নঙগী
ওইবরনে অপেনবা ;
কায়না মৈচুনবনা নংগী অপেম্বা ওইববদি
সুংশি পম্ফুং য়োনবগী লম্বীদি
কনানা লমজ্ঞীংবীবগে ?
অমুক্তদি তাকপীয়ু কৈদোগে ?

ঐগী কান্নরবা খম্মোইবু য়েংলগা
নুংঙাইন্নীবরা নহাক্কী,
মীগী অন্নাবা কায়নববু উরগা
নুংঙাইন্নীবা নহাকপু
করম্না কৌগদগে নুংশিহৈবা।
নুংশিবা মশক খঙত্রবা নহাকপু
করম্না নুংশিবগী লাই ওইনা
তাইবং মপুনা থৌদা পীরম্লিবনো ?
হে তাইবং পান্বা মপু ইবুংঙো
নহাক্কী কুম্মৈশি,
ওন্থোক্লা নুংঙাইখ্রেদকো
অসি ওইরেকো তাইবংপান।

ঐনা অসি য়ৌনা চাক্লীবসে
ঐনা অসি য়ৌনা ঙৌরীবসে
খঙলবস্তু খঙশিন্নররোই
উরবস্তু উশিন্নররোই
থনখ্রবোইকো নুংশি নঙগী নফমদা।
অহুবুনে মী অমবু অস্তুক য়ৌনা
থবাই শোকহল্লম্লা
নঙনা ননীং তৌনা চৎনীংবা
লম্বীদা চৎখিবা
মহুবু পাপ চেন্নবা

পাংত্রবগী মিৎয়াংসিনা উরবস্থ
উশিন্নবঁনু হায়রম্বা
খঙলবস্থ খঙশিন্নবীনু
মুংশি নঙনা পাওমেনলম্বদি.
মুংশি ভাইবংবু করেম্নবল্লবরা
নত্রগা চাক্লবা ঐগী পুন্সিবু
রানা চাক্লা পুন্সি মত্তোল লোমজহৌরো
মুংশি কৈথেল কারকপদা
ককঙাংনখ্রবা লমুকনখ্রবা
পুন্সিনা চৎপা'লপেন্দা
অমুক খুবৌ চেল্লক্লগনু
নোক্লা মুংঙাইনা লৈরবা
লম্বী ফংহুনা, অশেংবা লম্বী অহুদা
থেক থেক্লা চৎখ্রগে
ত্রনা রানা চাক্লা খাঙজবনা
ইরান নঙ ওইজহৌরো,
ঐগী খম্মোইগী অয়াবা
মুংশি কায়না মৈচাকী চৈথেংনা
য়েহুনা রাথল লম্বীবু (মাগী)
লম্মুক্লহল্লরম্থ হায়রিবরা ?
চম্নবা খম্মোইবু মুংশি কাইহৌবীরম্নগা
নীংভাইদনা মুংশি শমাই লৈথিহুনা

চাৱবী নঙগী মুংশি লাইজবু
ইখৌলাংনা নোংজু থাগি
নোংগৌবী চুম ঙইজরীবা নশাবাবু
রানা চাক্লা ঙৌহুনা
লেনজহৌরো ঙম্বীবম্বদি
মুজা করি পুকচেল কৌবগে,
মী অমগী প্রান্দবু
প্রোক প্রোক চাকনা
খবাই থক্কী লেমলৈগুম্বা
ক্রুং ক্রুং চোংনা
খাঙহল্লবীরম্লগা,
নঙনা নীংঙাইদনা
মকে শেমহুনা চৎখিবত্নু
নীংদোল পোম্বমখে
থোইদৌ খিংনা, থোইশাঙননা
য়েংহুনা লৈহৌহল্লগা
নঙগী পুন্সিগী লম্বেলদা
মুংঙাইগনীদি খল্লুহু,
মী অমনা চাক্লা চাক্লা
ঙৌনা ঙৌনা
নীংঙমদা মৈনা চুহনা
শিবা ঙাইনা লৈহৌবা

ম্বংতি ম্বমিৎ থুদিংগী
অৱা মৈশা লাংবনা
মশরুক ওইহনা লৈহনবনা
নওগী ম্বংঙাইগনিদি খল্লুম্ব,
তাইবং মপোক শিদদি
মপুগী ৱায়েল চৈরাকতি
তাইবং মীওইবনা শিনী হায়না
অতম্বনা খঙজ্রবম্ব
ফংদনদি তোক্তবনি নিংশিংউ।
ঐনা ৱানা চারা খাঙহৌরগা
(নঙনা) নীংবা ফনা থুংহনম্ব
অপাম্বা চাম্নবা কয়া
মত তিম্নবা ফংহনম্ব
নওগী পুন্সি অহুদি
ৱানা চারা লোম্নগনি
ঐনা নঙবু শাওমিংহনা হায়বা নত্তে
শাপ তৌবম্ব নত্তে
করিগুম্বদা তৌখিবা লৈরবম্ব
মপু মঙোন্দা কোকপিনবা
ইখুৎ তারা লোম্না (খুৎচা)
ইহু কাইদা লিশিংনা
মপু মঙোন্দা থৌনিজরি,

কোকপিনবা হায়জরী।
নোংমা ঐনা মাবু
থম্বন রা ওইনা হায়খিববু
মুংশি মানা শাপ তৌবনি লৌহুনা
ঐবু হকথেংননা য়াম্লৌখ।
হায়রমখি—"নঙনা ঐবু শাপস্থ পীবিরে
... ..."
মানা ঐবু মতম চুপ্পদা ল'ম্না লৌই,
ওম্না তৈনবা রাখন্দা পুবী
অসুম্না ঐবু ভৌহল্লম্নগা
মানা লাইনা নাথৈহুনা চৎখি।
ঐদি মাগী মফমদা থক লানখিত্রি,
য়াঙ'ং হৈজদবদগী ফাগি জুগাই তৌবদা
য়াওখি নফমলাংদা শাওনীংবা
অহুবু মহুগী দমকস্থ
মুংশিবা মাগী মকাদা কয়ারক হম্না চংজখি
করি নত্তরদা মানা শাওখিবদা
ঐনা থোইনা য়াজরীবনি,
অহুবু পুম্নমক মানা নাচুংখিদে।
করে মসিগী পাওরোল থাহুনা
ইথম্না তেংথবনা অরা পোৎয়োম্নবা
নত্তনা, চান্নবী মাবু ··· ওইথোক্তরে।

থল্লরোই মাগী ৱাখল থল্লরোই
কৱিবু কায়গবনো
মাগী ৱাখলদা লুপতুনা লৈরুদন'
পুন্সি লৈমন চননবনি
হকচাং ইরু কেয়বনি
লৈরাংগুম্বা পুক্নিনি
মীওইবা মপোক হায়বসে,
ঐনা অস্থক চাকনা থাংজবা
মাবু ঐনা অস্থক সুংশিজববু
মানা করিমত্তা খণ্ডবীদবা
করিমত্তা থাজবীদবা
করিসু নত্তবদা ইরান হেক হেক শিবীহুনা ..
মানবু সুংঙাইনি হায়রবদি সুংঙাজকসনু।
ঐগী পুক্নিদা মাগী সুংশি মৈচাক্তনা
হন্ন লৈমন চন্দুনা
অৱা মৈশা শাংহুনা
মাবু কায়নবগী থায়না মৈচাকী ইরোনসুংদা লুপ্তুনা
ওননা থোইনা খাঙহৌরগা
মানবু সুংঙাইগনি হায়রবদি
সুংঙাইজরুসনু মাঙা সুংঙাইজরুসনু।
মাতগী সুংঙাইনবা থবনা
ঐগী শাইনীং ওইজবীবনি

অহিং মুংথিল অনীমক্তা
মাতগী মাথলনা ঐগী মাথল ওইজরিবনি '
চৎথ্রসনু মাতা চৎথ্রসনু
মানতবু নু ঙাইজনি তায়রবদি।

———

"কায়নবগী পিরাংলক্তা"

কায়নবগী পিরাংনা থুমহৎলবা মীংসু অসে
পাংঙী হায়বদা মঙাইবে,
করিগুম্বা অমত্তা কাওবা টবা যাদ্রে ,
অশেংবমকস্ম উনী বা পোংসু অমত্তা লেকে
চাননথোক্লবী মহাকী
নুংশি মাইথোংচু নত্তনা ,
মপোক অসিমগী উপা কংলাবোইদবা
নুংশিবী মাগী অপাম নুংশিগী ইথানগা
নুংশি ইনোংকী ঈপোমগা ইরোইনরবা মায়থোংচুম্ববু
হন্না হন্না যেংনীই,
ফংঙরোই থম্না কল্লকই .
থম্মোইদগী তামথ্রে থওনা নুংশি মাজবু ·· থোরাংলি
লমহেল্লবা ঐগী থম্মোইসিনা
থল্লোই কৌবদা মওমদে,

থোইর্না হেল্লা নীংশিংই
মুংশি মাগী চান্না মায়থোংদো,
ঐবু ল্যাপ্লা কৌবগুম তৌরী,
মাংদা শগু শগু উরী
ইকাই মুংশি য়াননরবা
নীংবা কায়রবা মাগী শকক্ষমদো
করম্নবু কাউশিবা,
চংক্লবা ঐগী থম্মোইনা
থনুঙমদরেনে মুংশিবী।
থনলোই কৌবদা মঙমদে
থনলোই থননা মথল্লি
হেননা হেননা নীংশিঙগী
রাথল লম্বী লমুকনহল্লি,
থন্দুনতা মুম লৈনিংঙী
থল্ল থল্লগা থোইনা হেননা থোইরাংই
থম্মোই মবাং হৌহনলি
নিঙঙমদ্রবা থম্মোইনা
নিংশিঙ নিংশিঙ শিন্থনি
মীৎলুদগী পীরাং ততনা
নিঙঙমদবগী চৈনারক্কা
নিংঙঙমদবগী পীরাংতনা
অতং অথম লৈতনা

লাউওমত্রবা মুংশি মাবু নীংশিংহুনা × × ×।
হৌখ্রবা পুন্সিগী মুংশি শক্লোন
মুৎনাইত্রবা মরেক্না য়েক্লী
চেৎলবা থম্মোইগী কাচীন্দা
ভাইবং কানা খঙদনা
লোননা থুপ্পা থম্মোইমুংদা
মুংশি মাগী মুংশি শক্তমদো।
শেম্বীবা মপুমক্না কন্নকই হান্নবীবা
ভাইবং মীওই মপোক অসিদা
চান্নবী মাতম্ থোইনা হেন্না কললকই
থোইনা হেননা পাম্মুজদকো
লিঙমদবা থম্মোইগী কান্নন পীরাংভনা
চামহুনা ইরাংচবী মুংশি মাগী মুংশি শক্তমদো ×
মৈলবা-থম্মোই কাচিন্দা
ভাইবং কানা খওদনা।
থম্মোইমুংদা হক্কনা লৈখ্রবা
মপোকসিমগী মুৎপা লৈরোইদবা
চান্নবী মহাক্কী য়েৎখংবা পীদাকমগী শমক্র
থাজগী মান্নখোংদা হান্নহিং কাগুম্বী ;
নীংখীজরবা থম্বালগী লৈকাদা
কল্লক চাওবা থোইমুনা
কোয়োংম্বগী মশেক মঙালক্কা

লৈতেং ওইবগুম্না নীংথীজবী
পাখঙ্ ঐগী কাদদি,
মুংশি য়াকাইহনবদা মথোকশ্রবী
লম্হেল্লবা থম্মোইবু
হেন্না থোইনা ক'কডাওনহল্লীবী
য়েনীং থাগী মতমদা
অনৌবা যেনী'ঙ্খদা
মালংনা লিরী শিংপদা
নহা ওইরিবী শিংগী বাখলবু ডাওহল্লী,
নুঙ্গা ওইবীশিংগী মকাদাদ
থোইনা হেন্না নু'শি ইথীল পোকহল্লি
অপাম মুংশিগী লম্বেলদা
খু'শি লম্বী লময়াপীবী
ফজবগী মথক্তা থোইনা হেননা ফজবী,
লৈতেং মথল ওচনবা
পামজবা পুক্নীংনা শিননীংবগুম
পাখঙ্ ঐগী থম্মোইবু ককডাওনহলিবী
নুজা মাগী পীদাফমগী শমক্রুদতদি
কাউবা কৌবা লৈরবোই।
থরাইগা হকচাংগা কায়নদ্রিমথৈ
কাউবা কৌবা লৈরবোই।
নীংথীজরবা মুমহৎলবা

ঙুংশি মাগী
চান্না মায়থোংহুদা
ময়াম কারবা শমক্রুহুনা
পাথঙ থম্মোইবু হুখিবদো
করম্নবু কাউরসিগেনে।
ঙুংশি মশক থঙত্রবা
মীগী অৱাবা মৈচাক উদবী
হিংচাবীহুগী রাখল অসিদদি
ঐগী থম্মোইন্নংদগী
ঙম্ননবা পুমমাং মাংহন্বা
নীজথি পীনবীযু অহুঙন্বা
পুক্নীং পাঙ্গল
তাইবং মপু নোংদম্বা মঙোন্দা
অহুবু—
তমথীরবা নোংদম্বা মানা
ঐনা হায়জবা থজিক্ক, ফাওবা
য়াবীথিদে তমথীবা নোংদম্বা মানা
ঙম্মরেংই কোকপা ঙম্মরেংই
মপোকশিমগী মাগী কায়না মৈচাক।

———— —

"অঙাং ওইরিবৈঙদা"

অঙাং ওইরিবৈঙদা শিজরম্লবদি ফগদবনি
কয়ামমুক মপোক ফত্তনা পোক্কুনা!
অন্না মৈচাক অসে ফংলরীবনো থঙদে।
পুন্সিগী অহাম্বা মাবু থেংনকবা মক্তদা
পোকখি ঐগী থম্মোইদা মংবু মুংশিবা
ফাওখি থম্মোইদা মুংশি ইথীল
থীঙমত্রবা মুংশিগী ঈচেলনা
চেনশিল্লকখি কম্লবা ঈরৈগা ঈরোইননা,
হায়স্লু হায়খি মক্মলাংদা নোংমা
নহাকপু তশেংনা মুংশি
অপাম্বা হায়বত্থুদি কবিমত্তা পোকখিদে
অশেংবা থম্মোইগী লাইযুমদা
নঙবু ঐনা পোকখি মুংশিবা
টবমক্তদা নঙবু অহাম্বা।... ..
থুম্লকখি চাম্লবী মানা
"ঐগীদমক্তি চেম্লা ফবনি লাইবক
অহুবু কনাগুম্বী অমা লৈবমহুনা
মহাক অহুগী কাদা অম্লেংপা ওইহুনা।
অহাম্বা পুন্সিগী হৌরকপদা নীঙবা কায়থ্রবদা
অমুক মী অমগী পুন্সিদা থুরো চেম্বদি

ল'ইবক পীরবীন' করম্না
ম'গী মুম্বা নীংবা কায়বনা তরোইনবা পাওখুম্ন
হেন্না ককপ্তাওনহনখি ঐবু,
কল্লকহনখি মাবু
পোকখি অম্মুম্না ম'বু মীহৌব'
নু'শিবগী মথক্তা মীহৌবা
অওইবমক থোইনা মুংশিঙ্কবী নহাকপু
হেনতোক হন্নীংদে ইনাক্তগী
মীকুপ অমত্ত ফাওবা
ওমমক্তে, মাবু উদ্রব'দ
মাহাক্তগী রাখল থঙ্কহনা লৈবনা
ওইবক্তে ঐগী হৌনশা
থমজনীংখি মাবু ইশাইগে ন্দা
ওইনা লেংদ্রবী পুক্নিংগী লোহনবী
ফাওয়কখি 'মুম্না অপামনুংশিগী ইথীন।
মাবু থরাই মস্তা য়'ওনা নু'শিজ্জবনা
মীরেল য়াওনা পামজকবনা
শিল্লবমু কানানা মাবু পাওথোকপীনবা
থাক্লবমু লাং মাবু হঙ্গোযনবা
পীশিবীরবমু কনা'মীংচৎ অথীবা
ওম্নরোই ঐতনদি মাবু
থমখিবা লাপ্পা ঐগী রাখলদগী

ঙম্মৰোই মুংশিদবা মাবু
ঙম্মৰোই মাবু খন্দবা ;
অম্ভুম্না ভৌর ভৌরগা
কল্লকই মাবু থোইনা হেন্না
পাম্মুইজ মাবু পাম্মুইজ ।
মীনা লকবা উরগা
থম্মোই অসে খোইরাং থোইশাওই
মাগী অশেংবা থম্মোইহুতবু
মীতাজকই ঐনা মীতাজকই —
হেন্দোক হন্নীংদে মাবু ইনাক্লগী
শম্বীনা শম্নাও শেম্বঙুম
শেম্নীংঙী মাবু ঐনা
য়েংশিননীংঙী মাবু শোয়খিদগে কদায়দা
'হুবু মানদি থওবীদে পুম্নমকশি
ব্রাজবনি ঐভনা ব্রাজবনি
শিজনীংহ ইদোম থল্লু থল্লুরগা
শাওনীংঙী মাবু শাওনীংঙী
ব্রাব্রোই থম্মোইনা মাবু
মুংশিরকই পুক্নীং ইদোম ;
উক্করগা মাগী চান্না মাইথোংদো
তাব্রিবা মমি নীংঙমদবগী
চাকই থম্মোই থোইনা হেন্না

খল্লকই ইদোম—,
অঙাং ওইবীৱৈদা শিজন্নবদি
কগদবনি লাইবক
উরমলোইদবনি মাগী কুম্মৈ
কংলম্মোইদবনি মুংশি মৈচাক
শিজন্নবদি তমথীরবা লায়না অমনা
অঙাং ওইৱীৱৈ কবি থঙদ্রিবৈ মতমদা,
ওইরমগদনি য়াইফবা মপোক ॥

———

"পাওরোল-থাবা"

হা ইমা ইবেম্মা মুংশিবী
ইমা নঙনা ঐবু
পোকপীরম্মীবনো করিগী
ইমা নঙনা পোকপীরমছনা
ফংলে কায়নবগী মৈশা।
পূজিগী অহাঙ্গা মুংশি লম্বীদা
চংশিল্লবদা মঙাইরী
থেংনরুবে হাঙা অরা মৈচাক
নংলে হাননা কায়নবগী মৈখু
ওইহৌরে থম্মোই লাইমনঙমক ;

নুংশিববু করেম্বী
লাইনা ফাগী তোবা ওগ্বী
খোংনা মীনম্বী
পেৎনা চেংজংবী
শক্কা তোথোরকপগা খেংনবী
মানখিত্রবদা তৌঙম্বী
থাজখিত্রবদা ঙাংথোরকপী
নুংশি খঙদবী মাবু
নুংশি মায়োক্কবা
মাগী নুংশি শক্তম্বু
খম্মোহদা খঙহৌদনা মশি তাখিবা ;
পুম্নমক্ ঐতবু রাজনবা
ইদোম শিন্জনবগা পাংথক ওইথরেনে ।
ইমা ইবেম্মা নঙনা
পোকপীরমত্রবদি ঐবু
খেংনরমলোইদবনিকো
নুংশি থোইবী মাবু
খঙলমলোইদবনি
তাইবংগী অপাম নুংশিম্বু
পীরমলোইদবনি করিম্বু
নৌরনা খম্মোইদা
নুংশি কাম্নবগী

তমথীরবা চৈথেংদো ,
খঙজক্রবা থম্মোইদা
কায়না মৈচাক থংহল্লবনা
চাক্লবা পুঙমত্রবা থম্মোই মৈচাক পুহ্না
রানা চাক্লা হিংবদা তাপ্রেদকো,
অম্মুক চৈনা কয়বু
অম্মুক থম্মোই শোকঙবু
তাইবংদা করবা
লৈরংগদংগ অমমুক
রাবেদা কররবু খাঙসিবা
কররবু লেলশিবা
হিংনীংত্রবা পুন্সিসে
হিংনবগীদমক্তা হিংখিসিরনে,
ইমা নঙনা পোকপীরমত্রবনি
পুম্মকসে অমত্তা খঙলমলোইদকো
কয়ামুক লংজরহ্না ঐবু
পোক্লরীবনো তাইবংসিদা
ফংনবা মুংশি কায়না মৈচাক ॥

———— —

"খোইয়ুম নঙ্গা করি কুম্মেনো"

চীঙ্গড্ ইবুংঙো খোইয়ুম শিদবা
চীঙ্গড্ নঙগী কুম্মেদি— অসি ওইরেকো।
মপোক কয়াদমু অমুম্বা
খায়না মৈচাকতনা চুহনা
লেলহল্লকপরনে মপু ইবুঙো ;
মপোক মপোক খুদিংদা
সুংশি কায়না মৈচাক নঙবতনা
ইশিঙ্গা ওইয়ু খয়মখ্রবোই।
চীঙ্গড্ নঙ্গী করম্বা নোংদমনোনে
করম্বা নঙগী থৌশিনবোনে মপু ইবুংঙো,
অহুক থম্মোই তিয়বী মাবু
মতম চানা করিগী থেংনহল্লীবনো
করিগীদমক্তা মচাকী পুক্সিদা
ইনথংলকপগী রাখল লৌশিংনা
মঙাল নাইনা ফুদোংলক্লগদবী মতমদা
অহুঙ্গম্বা মঙালহুবু ফুদোক্লবা মতমহু
লোইশিনহনখ্রিবনো মকম খঙদনা
খাঙ্‌থক্তা মকম খংদনা খাঙ্‌থক্তা।
করিগীদমক্তা মাগী রাংলবা
মীপুম খুদিংনা তমজনীংঙাই ওইরবা

শাথল লম্বীবু লম্মুক্কহবীরিবনো ,
সুজ' ওইবী মপোক্তা পোক্কবীশিংসিস্থু
খোইয়ুম নঙগী থৌশিনগী ভুংইন্না
তাইবং থৌদা পাংনবা
তাইবংদা খোঙদারকপা ভাক্কী ,
নৈমরেল শিদবীগী পাওখোল ওইনা
তাইবং কুম্মৈ য়াওরবা ভাক্কী ।
মখোয়স্থু তাইবং থূনাইগী
য়াংবীবনি অচৌবা শকক ;
নৈপাকপু অচৌবা লম্বীদা লমজিংবদা
লৌরিবনি অচৌবা থৌদাং
অকবা মমা অমা ওইবদা
মচাগী লাইবক লেপ্নীবগা লোইননা
নৈপাক্কী লাইবক লেপ্নদস্থু
মমা ওহবীশিংগী থৌদাং নৈরিবনি ।
মতিকচাবা মমা কয়াগী মতেংঙনা
মালেম তাইবংগী পুন্সি খোংচত্তা
ইংনা চাওথোকপা সুংঙাইবা
ঙম্নীবনি পুরকপা ।
ইমা ওইবী সুপীনা নৈথ্রবা তুম্নীম্না
লাইফদবী ভাইহাক্তা ওইহনথ্রবা
মালেম তাইবং অসি

শান্নবা নৈকংলাগী মশক
শুইগনি শোয়দনা।
অসি পুম্নমক উবীরিবা
চীঙঙ্ ইবুংঙো খোয়ুম শিদবা
তাইবং রাযেলবীরিবা' মপুও
করম্বা কুম্মেমুক শাম্নবীনী'ছুনা
চাম্নবী মাবু লমথাংদা
অরা নৈথেং পীবিরিবনো ;
মহাক্কী করম্বা পাপ নৈছুনা
মপুগী খৌজাল ফংবা য়াদ্রিবনো
তাইবংগী কুম্মৈ মুংঙাইবা
য়াদ্রিবনো ফংহনবা করিগী ;
করিগীদমক্তা নীঙঙমদ্রবা
মুংশি মাগী শক্তমবু
উহনবীরিবনো ইমীং অসিদা
সিবু করম্বা চীঙঙ্ নঙগী খৌশিলনো
তাকপীয়ুগবা ননাইদা।
লাইবক থীবদা ইশরুক ওইরবা
তোল্লবা ননাইদা তাকপীয়ুনে ইবুংঙো।
ননাইগী তোল্লবা মপোকসিবু
রানা চাক্লা লেলহল্লগা
ওইরীনে ইবুংঙো নঙগী মুংঙাইবা

মপু ইবুংঙো নঙনবু
পেম্বীপনি হায়রবদি
ওংপীযু নৈবীযু ননাইবু
লাক্লবীযু ননাইবু
অয়াবগী চৈথেংনা ?য়বদা
থাংঙমদনহুনা মপুন্সি মতোল লোমহুনা
মপুগী খুয়া তাম্বনা
ওইজগে ননাহগী মুংঙাইবা ,
লৌজগে য়াইফবা মপোক্কি
থঙ্গে ফংলবনি মপুগী থৌজাল
ফংঙমত্রব মপুগী থৌজাল ॥

———————

"পামজরুবা ঐতগী মংলান'

নঙতবু নীংজরুবা
নঙতবু পামজরুবা
নঙতবু ঐগীনি খজরুবা
নঙতবু পুন্সিগীনি লৌজরুবা
পুন্নমক ঐতগী ইয়ালনি
পংলবা ঐতগী ইজালনি ।
নঙগী মুংশি মীসোক্তা মুমহংলুবা

নঙগী লুংশি মিংয়েংদা চাওজক্লবা
নঙগী থম্মোই থাল্লবা বাঙাংদা লুপ্লবা
নঙগী নতৌ নংদা থরাই তারুবা
নঙগী হ'ঙ পুন্সগী শরুমদা
নঙগী হৌখ্রব' পুন্সগী রারৌদা
নীংঙমদবা ইথীল পৌকলুবা
নুংঙাইতবা বাথল পোকলুবা
নঙগীদমক লেপকে থল্লবা
নঙগীদমক হিংগে থল্লবা
নঙগীদমক শিগে থল্লবা
পুন্নমক পামজরুবা ঐতগী রাগলনি × × ×
মাগী মুংশি রারৌদা
ঐগী থরাই মীরেলনা তারুবা
ঐতবু রাজনবা শিল্লবনি,
মাগীদমক্তা থল্লবনা
ঐগী রাথল ওইরুবা
মাবু নীংজবতনা
মা'বু থল্লবতনা ঐগী শরুক ওইরুবা
তুররিংবা ঐতগী আশানি ;
থল্লবা করম্না মাবু নুংঙাইহনশিবা
ওইরমলে ঐতগী মংলান
পামজরুবা ঐতগী মংলান ॥

— ———

নীঙবা কায়বগী তোর্বন্দা লেপ্পুনা

লেপলম্মী ঐনা নীঙবা কায়বগী তোর্বান্দা
ঙাইরম্মী মাবু ৱানা ৱাপা,
য়েংলম্মী মাবু মিংশী নাবামথৈ
লাকখিগনি হায়বগী ৱাখলদ,
কল্লবা লোং-মুংশিং পরক্লা
মুনামুনা মল্লবা থাশিংগী অহিংদা
য়াক্লবা কালেনগী মুংশংদা
থাক্লবা ৱাকচিংগী উনপা মরক্তা
ঙাইরম্মী ঐনা মাবু ঙাইরম্মী,
নীঙবা কায়বগী তোর্বান্দা লেপ্পুনা
য়েংলম্মী তোয়না হল্লকখিত্রবা মাবু
অমুক হল্লকশিংগনী হায়বগী আশাদা
অরাম থোৗরাংবা কয়া থাঙহনা
চাদবনা অংবদোৗরবা ফাওবা
থল্লী মাবু ঙাইখিগে হায়না
ঐগী ফীভম করিনো ঐ খঙদে
ঐগী হকচাং করাম শোক্লবা ঐ য়েংঙুদে
থল্লুদে ঐ ভশেংনমক থল্লুদে
ঐগী চোকথরবা হকচাংগীদমক

ৱাকদে ঐ থোইনা ৱাকদে ;
মানবু লাকখিগনি হায়রবদি
ঙাইখিগনি কুপ্লবসু শকদ উনশাতনা
ঙাইখিগনি হল্লকখিত্রবা মাবু
ঙাইখিগনি ঙ্গুংশি চায়বী মাবু,
হিংলি ঙসি ফাওবা চাত্রবসু
নৈরী ঙসি ফাওব থক্রবসু করিমত্ত্বা·
চায়থোইবী মাংবু লাকখিনি থম্মা ;
হিংলি ঙসি ফাওবা হিংলি
হিংনীংত্রবা পু ঙ্গ-া হিংলি
ঙসি ফাওবা অসুম হিংলি
মাবু লাকখিনি হায়বগী ৱাথন্দ্রা।
হংজরী নীঙ্ঙমত্রবা থম্মোইদা ইদোম
মাবু থম্মোই পাত্রবীরা ?
মানি মাসু ঙুপীনি
শোয়দনা থম্মোক পালমগনি
খজুলমগনি শোয়দনা
ঐগী অর'বা মৈচাকসে
উরমগনি শোয়দনা······
ৱাখিবসে ঐনা
চাক্লিবসে থম্মোই
ঙুংশি মাগী ৱাখলদা।

মাসু মুপীনি মুপী
মীতৈ চমুনি চমু
কংলৈ চমুনি চমু
ক্বাওরমগ'ন শোয়দনা
করিগুম্বা থরদা ওইরবস্ু মথম্মোইদা
উরমগনি নোংমত' ওইরবসু
খোমলেন মডলান্দ'
লেপলমগনি শোযদনা
রাখল মু'গী মিংমাংদা ॥

"নুংশি মাগীদমক"

নুংমিৎ থাগী খো'চৎসু লেপখিবা মাই নোংমদি
ইথঙ থঙহৈদনা লুপ'থবসু মাই
ইরোনুংদা মতমগী ঈপাক্কী ,
তাইবং কানা তাকলমদনা
মমখিবসু মাই কে'রৌহবা মাগী মঙালসু
ওইরবা মাই তাইবংসে অমম্বগী অমম্বা ও'ক্তা
খুদিংমক ওইনীংবা ওইরকসনু
অহুব্ ঐগী থম্মোইমুংদা লৈরিবা
সোম্বা থুম্বা লাংচক্কিবা

মুংশি নঙগী মুংশি শক্তমসিদি
মুংপা হোংবা থক লৈমরোই।
চান্নবী নঙগীদমক কংথোক্লবা থম্মোইসে
লৈত্রে অমুক ওল্লকদবা লৈত্রে ;
ঐগী লৈজ খুদিংমক
খাকলুবা কৌবা লৈতনা
কংথোকপ্লবনি মুংশি নকম লাংদা
লৈখিদ্রে অমুক তোম্নাম্বা অমা
শকনাইদবা অরোন অথুপ
তুংহৌদ্রে তোঙাবা থালথগী চমন অমত্তা
ল' ওনখ্রে থম্মোইসিমক
মুংশি নঙবু উবদা।
শিংলকসন্ন ভমথীরবা নোংলৈ মুংশিং
থুদেকসন্ন য়ুম-কৈ ফুরা দলাল,
ঙম্মোই হুমদোকপা শক্তমহুদি
লাংচরীবা লকানুংদা
লেনখিগনি নীঙবা কায়রবা পুন্সিসিনা
মুংশি মাগীদমক্তা হিংখিগনি ;
মাগী মুংঙাইনবগীদমক থজ্ঞবনা
ওইখিগনি ঐগী অচেংপা লাইনিং
ঙমগনি কংথোকপা খুদিংমক
লৈরোই অথাকপা অমত্তা

কাবদা ফাঙবদা থবাতগা শিঙবা
ঙমগনি মাগীদমক্কি শিঙবা ।
য়াক্তবী থবাই থারগা
হৈনবরা মাগী পেনগদবা
"...গনি মতু শোযদনা ঙমগনি
হুংশি মাগীদমক্কি
ঙমগনি শোম্বদনমক ঙংগনি
লাক্ত চিংনবা কবিস্ত
...ত হুংনাঙবা পুরীংদা
মাগীদমক্কি থাবরবদি
হৈনা ... গী অমুক অথাবপা ,
মগী য়াওনবা নীংঙবনা
মাগীদমক ঙবনা
...রিবনি ঐগী হিংনফম লৈগী ।
হিংনীত্রবা পুক্কসিনা
হিংলবনি মাগীদমক
হুংশি মাগীদমক × . . ॥

"মীহুৎথোংগী মপান্দা"

লৈপক্লম্মী ঐনা নোংমা
মীহুৎথোংগী মপান্দা।
মংলোপ কনাম্নু য়াওদনা
নাইতোম লৈপক্লম্মী ঐনা নোংমা
মীহুৎথোংহুগী মপান্দা,
চৎলম্মী কোয়না কোযনা
থংলম্মী মুন মুনা।
মীহুৎথোংহুদা
হাংদেক্লবা মীহুৎথোংহুদা
থংলম্মী চাক্ক চাক্কা,
পাম্লুবী মাবু লৈবরা হায়তনা
লুংশি থোইবী মাবু টববা হায়তুনা,
য়েংলম্মী থাম্বা য়ংজেবা মিংসিনা
মীহুৎথোংহু লানশিন্দনা
কা মনুংদা ফম্লীবী
তামশাংনবী লৈরাংগুম্বী
থাইদোক্লা থম্মোই খোম্বী মহাক্
সুমহৎয়াইবু চুয়বী
কংলৈ চমুরা ওইবীদো × × × ।
পায়রী মথুক্তমু কৈনোমা

মোঙ্গা লোম্বগুমস্থু ভৌৱী,
মাইথোং থাজহু য়েংলবদি
করিগুম্বা ৱা'থল অমদা সুমতুন'
লৈশ্রুবগুম্না উৱী ,
মপুংফানা উত্তমশ্রবী
মুংশি চান্না মায়থোংদো
য়েংনীংবনা লাংতক্লনা
চাইত্তমশ্রবা মতৌদা
ধংথোকলুই হায়ফেৎ
ইকাইবনা হেনমৱনা
শেরায়ৱবা মীৎয়েংহনা × × ×
হান্না হায়নকবা মতাংগুম
য়ে থোরকখি মতমতুদা (মাস্থু)
মীৎচানখি মুংশি মাগা
থঙহৌদনা মীৎ মৱীদো
ওইখি মীৎ মীশন্,
মীৎকম হোংদবা মীৎয়েংদা
মা'য় মায় ওক্লখিবা
থম্মোই থম্মোই ভীৱখিবা
ভা'ইবং কানা থঙখিদেদো .
শমু কনাস্থু উখিদেদো
অহুগুম্বা মীকুপ্তো

তাংনা কংজবা মীকুপত্তো ।
অমুকস্থ হয়া রেংয়ৈংখি
সুংশি মাগী মাম্বথোংদো
মীতানীঙাই ওইরবা
থোইকম মোমোন মীনোক্তো
ইকাইরপ তৌনা ভাউব বাভাংদা
তাহনবা লৈনীংঙী
লমহেল্লবা পুক্লীংসিনা ,
লৈখিদে থৌনা অহবু
লৈখিদে উপাই অমত্তা
কাহুদা চংহনা,
সুংশি মপাও মেনজনীংখি
সুংশি রারী করাস্থ
শানীংখি চান্নথোইবী মকাদা
'হুবু রাথলতমক মঙাইখি,
লৈখিদে চংবা ভুম্বগী থৌনাদি ।
উননবগী লম্বীস্থ লৈখিদে,
নঙ্গা লপ্পবা,
মীৎয়েংগী পনথৈসুংদদি
চেংলৌহেন্নবু ভাহোইরিবী
সুংশি থোইবী মহাকপু
থোইনা হেন্না পাম্মুজখি

মীহৌজখিদো মাবু
লঃ হেল্লবা থম্মোইশিনা
থাম্বা ম্রাদ্রবা পুক্কৌংসিনা।
নৌংশিংলি মুমীৎতো
নৌংশিংলি ঙসিম্বু নৌহৌননা
ফাওই থম্মোইদম্বু নাবনোমা
হাইফম ভমফম থংদব
নবিরগুম্বা অম
নবিরগুম্বা অম ৮ ৫ ৮ ।

—— ———

"কদোমদগী খোঞ্জেলনো"

ঙুংশি পংদেল য়ৌখ্রব তুংদা
হুংশি মকাদ,
ডাইজখি ঐনা পাওথুমদো খোবাংন
মমাংঙ্গী মতৌদগী তোঙানবা
পুমণ্ডক ডকপা খোদোক অমা থেংনখি
পীক্লবা চেজেং অমদা ইরম্মী—,
"নহাক্কী য়াঙংহু ভাবদগী
খুৎতগী কলম তাখিবা থণ্ডহৌদে
'Reply' ইগে ভৌরম্বা

মাংখি রাখল পুন্নমক
শাওনীংবনা হান্নফম খঙখিদে
অতুদগী মখা তাবা ঙমদতুনা অম্নমক.
প্লাজিগী ওইনা অম্নমক
মতাং অসিদা অম্নমক × × × ।"
মতুংদা খাজখি নুংশি চিঠি কয়া
চংজখি মফমলাংদা কয়ারক
হায়জখি নোঙ্গখি হন্না হন্না
নুংশি মফমদা ……… ।
অঙৌবা চেবাংগী মথক্তা
লৈতেংতুনা অমুবা কলমগী মতেংনা
লৈচন সুত্রবা রাহৈগী লৈবাং পরেং কয়া
কচ্চখি নুংশি মফমলাংদা
অহুবু খুন্নকপা লৈখিদ্রে
নুংশি মাগী নুংশি পাওখুমদো
ফংখিদরে তাবা ঙসি ফাওবা
লিশিংলক হায়জতুনমু
লৈখিদরে মহাক্তা তাবীবা কৌবা
লৈখিদরে মহম্বা মহাক্কী অশাওবা
অম্নুক রারৌ চাওরমগনি খঙলমন্নবদি
হায়জরমলোইদবানি করিমত্তা
নুংশি মফমলাংদা,

তৌহ্ন বয়ে ইদবনি ফাগি অমত্তম্
হায়ঙ্জবয়োইদবনি ওইনা য়াহৈ অমত্তম্
হায়রমগদবনি অশেং শশেংবা য়াইত্তা
মাগী য়ারৌখিবা মতৌ স উৎনা
ঙাওজমদরে থম্মোইদে,
পোত্থাকম থংদ্রে মীকুপ অমত্তম্ ,
য়ারৌচাওবী মাগী নুংশি চেংলোদো
উরী ঙসিস্থ ইমীৎনিদা শঙ্শঙ ,
চান্নবী মাগী চান্না মায়খোংদো
লাপথোকখিদ্রি ঙসি ফাওবা
য়াথলগী মীৎয়েংগী য়াংমদা ,
নীঙবা কায়বনা পেহৌ পেহৌরবা ঐবু,
লৈরী জাওহন্দুনা ঙসি ফাওবা
ইকাই খুংশি য়াম্নরবা মতৌদ ,
করম্বু কাওরসিগেনে খুংশিবী ।
ঙম্নকদগে নঙবু কাওবা
করম্বা নুংশিৎ থাদা
থঙঙমদরে মম্নবা য়াথলনা
লাম্বা ফংদরেনে পাম্মুবী
\+ \+ \+ \+
থুরা করি পুকচেলনো
পাথঙ ওইবা ইহৌশা

হুজা নকাদা ওইনজববু
হুংশি পাওরোল থাজববু
হুংশি লানথোং থীংবাবদি
হুজা কনা ওহনম্ভ হুংশিবী
হুজা পুকচেল মান্দেদকো পাম্মুবা।
হুংশি য় রাবু থুপচানা
হুংশি পাওথোং চঞ্জববু
হুজা লানমা লৌবরনে ;
পাথঙ থম্মোইদগী হৌরকপা
হুংশি ইচেলবু হুংশি নকাদা ইক'হন্দহনা
শকথঙদবী কনাগী মক দা ইকাহনগদগেনে
হুজা ওইবা মপোক্তা পোক্লগা
থম্মোই অতুক কনবদি
পাথঙবু কবি ওইরাসগেনে হুংশিবী।

× × × × ×

কোরৌ শিংবুম সুক কুইবা ফাও
হুজা থোইথা লিনথা থাবীবদি
হুংশি নপাও শেংডোগবা কৈদৌগে
হাকুম্ভ হুংশি থঙদবা তৌগম্ভ
হিংচাবী পুকচেল চেনগম্ভ
নীঙওমদবা লাকনি।
'সি হায় হায়হনা

ঋারৌগন্সুকো চাম্নবী—,
নংনা ঐবু ফনা শাওহুনম্ম,
ঐদি ভুমজদে নঙবু থক শাওবা
নঙবু শাওখিগনি থম্বদা
ঋ জরীবা পাথঙনি,
নব্রিগুম্বা নঙনা শাওখ্রগা
থম্বদা করম্না থেমশিগে
সমফরীবনি ঋ খল লৌশিং পুম্নমক
নঙনা ঐবু যনা ঋাবৌত্নম্ম
নারৌজদে ঐদি নঙবু থক,
নঙনা ঋারৌথিবগী
ঈশা ইদোম মুংডাইজদবনা
ইশা ইদোম নৌঙমজদবগা
ঋারিবনী থম্মোইসে
চাক্লীবনি থম্মোইসে
কায়ববনি থম্মোযসে মচেং মংুং
অম্ম্না ভাওজবীবা মুংশি নঙগীদমক
জুম্বোক্লম্বদি কবি নত্তবদা, শাওহুনা,
মুংশি মীৎলৈবিবদি
মুঙ্গা পুকচেল কনমল্লী। × ×
অম্নুম থল্লুবদা কোকসি চীকই
লৈফম পোখ্রাফম থঙ্গদেনে

ঐগী নীঙঙমজ্রবা মতৌসি উরগা;
পেল্লীবর' স্নু'শি নহাকপো ?
মানি পুন্নমক ঐনা লানথিবা ভাক্কী
ঢাকপিযু ঐবু ঙাকপিযু
ঙায়জবী লাল্লে থডনা
চঙজরী নফমল্লাংদা-
‘পনবীযু চঙজফম
ঙে স্নুংশি থোইরবা।
ঙ'কপীযু অমুক্তা
ঙাকপীফম থোক্তুবা ইরালদো
লংজথিবা নফমলাংদা
হায়ইজ হায়বগী মতিক
তৌনীগনু থোশাদবা
নঙবু থম্মো'ই শোক্পা স্নুংশিকবনা < <
থম্মোইগী ইথীন তুংইম্না
ইকাই ইকী গুন্দোক্তুনা
চংজরীবনি নফমল্লাংদা
নোঙজরীবনি নকাইফমদা
শিগীদমক ভাহম্বীগনু
ঐবু হৌন থঙদবা
ভাহম্বীগনু বাথল লৈতবা।
নঙনা ঐগী পুক্নিগী মশক্কী

নঙনা ঐগী থরাই ওইরীবনি
নঙনা ঐগী পুন্সিগী লননি
ক'ম্ররবা ঐগী থম্মোইবু
খেমজিন্নবীনবসু নহাক্কনি
ঙ'ঙরবা ঐগী রাখলবু
কাজিন্নবীনবসু নঙতনি
হিংনবগী আশা পীনরিবসু নঙনি
নহ'ক্কী রাখলনা ঐগী রাখলনি
× × × × ×
বাঙঙমলরোইদবা হুংশি নঙগী মৈচ''
মুংঙমলরোইদবা নঙগী কায়নবগী মৈর'ং
থীঙমলরোইদবা নঙগী মুংশি হফুংনি
নঙনা ঐগী পুন্সিগী মশক্কী
'হুগুম্নবী নহাক্কা .
লৈখ্রবদি লোলথোক্কবগুম
লৈখ্রবাদ লাইকদৌবীগুম
নীঙঙমহৌদ্রবা পুন্সিসিনা
থাঙগদগে করম্মা
+ + + +
লেনসিগে করম্মা
কোরৌ অসুক কুইবা ফাও
মু'রা মপাও অমফাও

তাদবদি হুংশি মফমলাংদুগী
ফংদ্রিবদি পাওথুম অমত্তা
ময়ামহুগী হুংশি পাওজেল
য়োৌজথিবা হুজা নকাদা
লৌরহুনা লোম্হোক্কবা কলমগী মতেং
থাজথিবা কয়া মথং মথং × × ×
ওয়েংহোক্কনসু মঙাও থীথ্রবোইদা
ওয়্থোকনসু মচিং যত্তবোইদা
ওথোকনসু শাওগনবোইদা
কনথ্রবোইদা নডগী চক্রি
কবম্বু খেম্লসিবা
হুংশি নডগী থেম্বা ঙমদ্রবা চক্রিসিবে
নঙনা অম্হুম্মা তৌরগা
ঐদি হায়্রফম থঙদে
ঐদি ঙমফম থঙদে × × ×
থাজথি চাক্লা চ'ক্লা
হুংশি পাওজেল মশিং থঙদনা
খুম্লকখিদে পাওথুম অমত্তসু
তাজনীংনা ঙাইজবা পাওথুম 'মত্তসু ;
খুম্লকখিদে হুংশি মানা খুম্লকখিদে
তাখি,ওম্মা তৈনরবা
হৈনীংজ্রবা য়াহৈ থরা

থাজখিত্রবা রাহৈ থরা
ত খি নকম লাংদগী
ওম্মা তৈনবা লিচৎ শাজং
পাথল লম্বী মওং
থাজদবা রাঙা থিবৈক্রা
লৈতেং ওইরব পুন্সিদা ঐগীনি
" অমরোমদা শপথ বগী হৌনশা
তোজুনবা রাথলা "
থজুদে ঐ মসিগী লম্বংগী র
করম্বা প্রম নদে ,
বরম্বা কেংজিনে মসিনা লৌবব
করম্বা লংলানো মসিং। পুম্লিব।
মম্মী ঐ. থম্বদ মম্মী
'তুবু ঐগী হকচদদি মহ ক কাহজদবনি
কু শি চাম্নবীনি লাজদবনি
থেমজবনি লংডকবা এজন
থেমজবনি মাবু থেমজবনি।
হোৎনৈ মাঙ্গোপশিনা
উংনবা মাবু ল ম্ন।
লৌহম্নবা মামু লমহেল্লবী অমগুম
থলহম্নবা মাবু ইবাংবাই অমগুম
চমজি ঐঙোন্দ ওম্মা তৈনবা প ও কয়া

তাহনলৈ ইনাকোংসিদা
'ছুবু লৌদে মাবু লাম্না থক
খনদে মাবু লাম্না থক
থঙ্গী ঐনা মাগী থম্মোই
থঙঙী মাগী চম্লবা থম্মোই
যংঙমত্রবা মাগী রাংলবা রাখল
ফাওরী করিগুম্বা অমসু
থম্মোই লকা সুংদা
পোক্লকই করিগুম্বা অমা
সুংশি মশুংলাংগীদমক
নীংঙমত্রবা থম্মোই লাবুমদা
থল্লুবত্তদা মাগী রাখল
নীংশিংলুবতদা মাগী শক্তম
খঙদে 'ছুবু মানদি খঙদে
খঙবীদে ঐগী রারবা রাখল
উবীদে কায়রবা ঐগী থম্মোই
শজীবু নঙনবা গুম্না লৈশাংতম্লীবী
মক্রবা লৈচুনা লৈনা খুদিং লৈতেংলবী
পুক্নীং হুরবা লৈনমনা
য়ুমথোং তরেৎ লাল্লীবী
লৈরাংগুম নীংখিরবী
সুংশি নঙগী সুংশি শক্তমদি

লোৎখ্রে মতম পুম্বগী ওইনা
পাইখ্রে হুংশি মীৎয়েংগী রাংমদা
পংঙহৌবা খোইমু ইহৌশা
নীংবা কাম্নবতনা
ইশকক ওইযু তমথ্রবোই ,
অসি ওইরেকো তাইবং পানগী পুংঙ চব
অসি ওইরেকো হুংশি মাবু,
হুংশি শকচান্নকবগী মহৈ হায়বদো
অসুম্মা অসুম ওইবা তারবোইদকে
পুংশিবগী হুংশি পম্বুং হায়বদো।

× × × × ×

পুংশি মাগী হুংশি রাখন্দা
অসুম্মা অসুম ঙংশিঙৈ
তংখি খোঙ্জেল অমা থঙহৌদনা
খঙদে বদোমদগী খেঞ্জেলনো
লাকখি খোঞ্জেলদো নাপদা
চংলকখি থম্মোই ফাওনা
নীংশিংলি ঙসিন্থু খোঞ্জেলদো
য়েক্লী সনাগী কালিনা থম্মোই লাযুমদা
মুংনাইঁত্রবা ময়েক্লা
হুংশিরবা ঈশৈদো
থরাই মীরেল খোবদো

খোইথুম্মরবা পাওজেল্লদো
থম্মোই ফাওনা চংখিবা
নাপা চীক্লা ভাঙখিল্লা
ফুংশিৎবা ঈশৈদে,
নীংশিংলি ওসিন্নু
শেংকাত্রবা মুরদা—,
" অন্নুম্না অন্নুম লেম্বা তারে
নীংবা কায়রবা ঐগী পুক্লিসে "
'তাখি খোজেল শিমক রেডীওগী খোংদা
খোয়থুম্মরবা কালাকার অমগী খোম্মোক্তা
থওদে ওসিগী খোজেলশিংদি
শেশকপা 'ঝুমকী খোজেললা ম্রেডীওদ ত খিবা
নত্রগা ফুংশি মাগী মাইবী থবাইনা
পাথও নাপ্পদা অক্নোইবা পাংথুম ওইনা
'শেশকক্লবরা ;
ম্রেংখোকখিবদা নাক-ম্রেত্তা
ঊদে রেডীও, লৈতে কনামওন্নু
চিংনবী ওইরমগত্রা
খোজেলদো তাখিব্লা খোজেলদো
ওইরমগনি পাম্মুক্নি মথী খোজেলমক
থক্করমগনি ,অওইরমক
ফুংশি মাগী খোজেলমক

নীঙঙমত্রবা থম্মোইনা
নীংশিংলি ঙসিন্নু নোংলৌনবা
নীংবা কায়রবা খোঞ্জেলদো
তারী চৌজিকন্নু থম্মোইন্নুংগী নাকোংনা।
সুমহৎলি খোইনা হেন্না
লুংশি কায়নরবা
অপাম শেংনরবা
কায়নবগী পীরাংতনা
থুমহৎলবা ঐগী থম্মোইবু
ঙাওহল্লি খোইনা হেন্না ঙাওহল্লি
থংহৌদনা তাখিবা সুবাদা
খোইথুমরবা খোঞ্জেলদো
হংলী ইদোম থম্মোইন্নুংদা
কদোমদগী খোঞ্জেলনো ॥

"থাজগান্দবী"

ঐনা পুকচেল শেংনা
নুংশি ভিক্ষা নিজবু
থাজগান্দবী চৌনথনা থাংওইনবী শুইরমক্না
থাজবা কৌবা দৈথিত্রে ।

ঐনা হায়বা ওখা খুদিংমক
মকম লাংদদি ওইখ্রে
ওইদবগী ওইদবা ভাইহাক্তা ,
অশেংবা থম্মোইগী য়ায়া খুদিং
ওইখ্রেনে থুংশি মকমলাংদদি
ওইদবগী নমথাক ভাইহাক্তা
থোকখ্রেনে মিনম শোম্বিবা ভাক্তা ওইনা
(অতুগনে) পাংথ্রবা পাখঙ ঐহাক্দি
চংজকবনি থুংশি মকমলাংদ
অশেংবা পুকচেলগা লোয়ননা
অতিংবা থম্মোইগা লোয়ননা
তমজখি থুংশি য়ায়া কয়া
থম্মোইদগী ইহৌরকপা
থুংশি ইথীলতগা শাগোননরবা
• থুংশি পাওজেল কয়া মথং মথং
অতুবুনে চায়বী য়ানদি
থক লৈতে থাজবা ;
মাগী চাক্রবা য়াহৈনা
ককভাওননীংঙাই ওইয়বা মীংঙেংনা
থুংশি ইথৌ লাংলবা মীনোক্লা
সুমহৎখি ঐবুদি মিকুপ খুদিং
শীরকখি থুংশি ইথীল তজনা

'ছবু বাহন্নি মাকা ঐবু তক্তনা
থাজদবগী বাঙাং কয়ানা
চীকহনথি ঐগী কোক,
অন্নমা তোৗবসিত্তনা,
ওইরমাল্লে মাগী পেম্নবা হায়বজু।
ঐগী অরাবা তারবা শকফমবু উৎগা"
থুংশি মানা কুইম্মে ওইরিবরা
অচুম্ব থঙদে অপঙবা ঐদি,
মাগী থাজদবনা মাংওইনবা য়াঙাংবা
ঐবু তত্তনা বাহথা
থুংশি মাবু কল্লকহথা
শৈবু লৈফম চাক্কম থঙহন্দবা
সিনা ওইরমল্লে মাগী অপাম্বা থুংঙাক্কিব
মা বা অমত্তা ঙাংলকপদা
ঙাংলক্কে প্রক ইঙ্গিং তিংনা
থমোৎ চুমগী কোচিগা কোরাংগা
পংজবা ঐগী ইকমহদি
থঙদে মফম মরাং অমত্তা,
কোক্কা ইক্কাও লাওথৈ
মেন-মান ইত্তা তাকদে।
ঐগী ইফোৗসিবু উবগা মানা × ×
চান্নবা থুংশিরবা চীঙান্নবা

হায়রক্কেং চীংলপ তৌনা ক্কেবা
নোকক্কেং নোকক্কেং তৌরগা……"
তাওখি থম্মোইসে মফম থঙদনা
থুংশিবগী মংলান্দা
মালংবগী কল্লবা শউমদা ;
মাকালায়া শাংচরম্বী ভেরাপাইবীনা.
তৌবগুম্না মালং ইপোম মরক্তা
পুশিবগুম্ মালংবনা পুনিংবা মফমদা
পুথি ঐগী থম্মোইস্তু হুমহুনা,
থুংশি নংগী থুংশি শাহুম্মা হুমহুনা
ঙমজদে ইশাবু ইনীং তৌজবা
লৈশি লুপ্তুনা মতমচুপ্পা থুংশি নঙগী র'থলদা ,
লাইজ' ঈমায়দা চেল্লকপদা
ঙসু থজোংনা কোয়তাও তাওহনা শায়নগুম
শায়রী থুংশি মীহৌজরবা থমোইনা
তাওহনা থুংশি নঙগী থুংশি ঈপাক্তা ।
অসিয়ৌনা ঙাওজরীবা
মগুংলাংগী ঙৌজরীবা থম্মোইগী
অরাবা মমিবু উরগা,
তারীবা মকশিল্লবা মায়থোংদা
থঙদে থল্লিবনা কবি রাথল ·
থঙদে থুংশি মাগী কবি রাথল

ওন্থোক্রুমু লুখ্রেদা
ওন্থোক্রুমু শিংখ্রেদা,
হে থন্থে ইগী [illegible] চীক্রু [illegible]
ব্রগৈ [illegible]হিগা থরাই গুইবীনি নগুরু
[illegible]রমু [illegible]
ঐবু করম তৌসিব। [illegible]

— —

"করি থন্মোই গৌবগে"

[illegible] থন্মোও [illegible]নদা
কবিগীনো চ [illegible]বা [illegible]
[illegible]নে প [illegible]বা [illegible]গী [illegible]
[illegible]বহু [illegible] ইদর
নজ্রগা চ [illegible]
[illegible]শিববু [illegible]দা [illegible]
লৈববান তাগুনব [illegible]
মফম [illegible] শাহুনমু
মুংশিবগী হু নফমদি থন্মোইদনি
লৈতে ম[illegible]ম অগু থন্মোই নগুনা
লৈতে পোখাফম মুংশিবগী
নগুনা থন্মোই লাকাহুংদা
নগুনা থন্মোই পোন্দা।

নত্রনে হৌরককমস্থু হুংশিবগী থম্মোইদা
নত্রনে কাইদোংকমস্থু হুংশিবগী থম্মোইদা
হৌরককমস্থু ওইরবা
ভুংনফমস্থু ওইরবা
খুংশি মাগী ঈচেলগী ঈকাফমস্থু ওইরবা
থম্মোই থম্মোই শকথঙবদবু
চংবখনে হুংশবা
অমুক অশেংবা রাহৈগী মতেং—,
করম্বা রাহৈগী লৈতেংনা
করম্বা চীরোলগী তাংনা
করম্বা অতম্বা ওইদবনা,
চীয়ানথোংদগী থোকপা
করম্বা শাজীনবা রাহৈনা
লহৈনগদৌরিবনো অশেংবা থম্মোইবু
করম্না শুমগদৌরিবনো মীগী থম্মোইবু ?
× × × × ×
থাজদে ঐ থক থাজবা ঙমদে
থম্মোইদগী পোক্তনা, চিয়ানথোংগী ওইদবা,
থোজেংদগী ঙাংলকপা
রাখলদগী থোরক্তবা
লমথাংদগী হায়দোরকপা
নাকোংদদা হুম্বা ঙম্বা

অতাওবা রাহৈশিংফুনা
অশেংবা ওইগনি হায়রবদি
থাজদে ঐদি থক থাজদে ।

× × × × ×

করম্বা রাহৈ হায়রগা থাজগদৌরীবনো
করম্বা রাহৈ হায়রগা থঙবীগদৌরীবনো
নঙগী দমক রারীবা অশেংবা থম্মোইসে
থঙত্রে ঐ হায়ফম থঙত্রে
করম্বা তুমিংতনে
নীংশি বীরকদব ঐবু নঙনা
নুংশি চ মবী নঙনা
থঙবারকদবা চাক্লবা ঐগী থম্মোইসে—
নুং শববু শাজীগা য়াবরা
চৈথানখোংগা হোশংলবা রাহৈনা
মপাম্থোংগী ঈশিং লিংত্রবা রাঙাংনা
ওইগদরবে অশেংবা নুংশিবা ?
থা জদে ঐ মতু থক থাজদে
থঙহৌদনা থম্মোইদা পোকপ্রবা
থীংঙমত্রবা নুংশি ইকাইলবু
অমুক তম্বা নাইত্রবে ?
খোনীদগী ফংবা সনাবু
কোনশঙদা চংলগা লংহ্বহম

মুংশিববু মৈ ইককম থোকপ্রনে ?
অহাৱা উবমক্কদা খম্মোইদা পোক্‌খ্রবা
লকাম্নংশী লাইমুমদা পানখ্রবা
মুংশি মাশী মুংশি ইথীলবু
করম্বা লৌশিং শিংবনা
করম্বা মহৈ হৈবনা ইক্লগা
ময়েক লাগদোরীবনো—,
খাজদে ঐ খাজদে
য়াজনীংদে ঐ য়াজনীংদে
হে চাম্নথোইরবী নঙনা
করিগীনো চিংনরিবা অশেংবা খম্মোইবু
করিগীনো সুমহৎলিব্না অশেম্বা বাহৈগী লৈত্তে-দা
খম্মোইগী বাদি খঙগদবনি খম্মোইঙনা
অসিবু করিগী খঙদবনো
নঙন্থ খম্মোই পাম্নিবনি
মচা পোকপা মশেন
খঙনবঙম মচাগী মুংশিবা
ফাওনবঙম কায়না মৈচাক
কায়না মৈশা লীংলবা মশেল,
হোদোকলুবদা বারী খজিক্কং
নঙন্থ খম্মোই পাবীনি
খম্মোই পানবা মশেলনি

থডদবগে কবিগী থ[illegible] ইন্নুংগী নুংশিবা
থম্মোইনুংদা [illegible]প কপা
নুংশিবা [illegible]বা অসিবু
থডদবগে কারগী
থ[illegible]ম্মাই পান্বী ওইরগা × × ×
থম্মোইনুংগী নুংশিবা
থম্মোইদদা ফাওজবা
নুংশিবগী য়াকাবু
থম্মোইদা হংদনা
কানদা অমুক হংনিংলিবনো ?
কবম্ন [illegible] হায়রগা
থম্বী ব[illegible] থাজগে [illegible]না।

× × × ×

[illegible] থম্লগা
ফজবা বাহৈ নচোম শেম্লগা
[illegible] নায়েং হৈরগা
[illegible] মেঙ্গা থডলগা
[illegible] মীরৌ হৈরগা
[illegible] লৈবা শারগা
শেমশ রবা লিচৎ শাজংনা
[illegible] মরোল ভম্বীবগুম
ভম্বীরগা হৈরকপা

মতমগী ইরাংগা চায়রবা
য়াঙাং য়াতা কয়ানা
মুংশি শৈশক শক্লগা
থোয়থুম্নরবা খোঙ্গেলদা
মুংশি শৈহেক তম্নগা
খোইমু শাখপ তোয়রগা
লৈরাং লৈশাং ত্তমগে থম্মীবরা ?
তাইবং মীওই মপোক্তা
মুংশি য়াথুল কাংবদা
ফোংঙমদবা য়াহৈবু
লৈরাং প্রেমান লাকলুবা
খোইমু পান্দম লৌরুববু
অশেংবনি থম্মীবরনে চায়বী...... ;
মমায় ফনা কল্লবস্থু
মুপা ফনা ওইরবস্থ
ইচঙ ফনা খোবা ওইহনস্থ
মুংশি কিশি থোকপদদি
জুজা ওইবী মমাঙদদি
লীংজেন ফবা লৈতবনি ;
য়াকোয় কয়া শুহনা
নাতৈ মপা লাক্লয়
য়াঙাং য়াতা শেম্বনা

হৌরশা ওইবরি
যাকোই শিংবুল গুবনি,
হুন্না করিগী খঙবীদ্রবগে ?
যাকোয় গুবা হৈতরা
পঙতক গুদকপা ওইবনা
খম্মোই যাবা অশেংবনু
হুংশি নক্মলাংদা
তুমক তুমক চাংখিবা
খম্মোইগী অথুপ্পা যানু
হুংশি নকাদা পাওদমজখিবনু
করেম্নবগুম লৌবীবরনে।
নৈশি নৈথোল হৈতবা
তুররীংবা শাজংনা
ইহৌশা ওইরবা
পঙদা পঙবা ঐহাক্তি
অপাম হুংশিগী তাইরংদা
থোংদারুবা মতমদা
চাক্না লেম্নু তমথ্রবোই.........।
নীংবা কারবা হায়বসিনা
হুংশি পম্নুং ওইহনা
পুন্সি মতোল লোম্বা তাম্লবোই ;
হুরেনজমগী হুমবীরেম্ন.

অনিরুদ্দি শুদবা
নোংয়াই খুমন মচাদি খম্বনা
ফনা তুররীংহুনস্ত্র
চাওনা পঙবা ওইহুনস্ত্র
অমুদোন মাঙ্গী অশেংবা
খম্মে ইগী মুংশি মশক অহুদি
অমত্তা পোকপী থাদোইনা
শিং শিংনা খঙবীদো ;
শাজো মাস্থ অহুইঙ
লৈ লাংবা চংলৈঙদা
লোইবী চীংশাং চৎপদা
অরা মৈশা লাংবদা
থোইবী মাবু নীংশিহুনা
অরা কোঙ্গায় কাওজখি।
(অহুবু) চায়বী নঙস্থ কংলৈ চষ্কুনি
খঙবীদবগে করিগী
চয়বা ঐগী থম্মোইবু
নঙভবু খঙবা থম্মোইবু
নঙভবু নীঙজবা থম্মোইবু
খঙবীদবগে করিগী
শেংনা নঙবু মুংশিজরবা
শেংনা নঙবু নীংজরবা

খঙ্গরুবা পুন্সিগী ওইনা
পঙলবা ঐগী বাথলবু
অরা চৈথেং পীবীবদি
করী থম্মোই কৌব'গ
খঙ্গমরসু খঙ্গদেদকো—,
নুংশি নশক উরগদি
অহুক থম্মোই কল্লমগনি
খাঙ্গদেদকো নুংশিবী
থাইনা হেন্না পাম্মুজবী
নুংশিথোইবী নহাকপু
করি থম্মোই কৌবগে।

"লেপ্পমক লৌবীয়ুকো"

রানা চাক্লা লেংজরবা সনরীক-পরেং
থম্মোইদগী ঈহৌরকপা প্রেমগী ইবীঙ্গন, খীঙ্গনা
লেংথ্রবা সনরীক পরেং
সনাগী লীক্লাংগুম শেমথ্রবা লৈরাং পরে
পাইমা পুক্লীংদা থোইদাজবা
সেম্বী থরাই মঙামক্লা লেপথ্রবা
নুংশি মাগীদমক্তা লেংজবা পরেং

তংনা থামবা লৈরয়োইদবা
পুন্সিগী মুংপা মাংবা লৈরবোইদবা
শকনাই উনাইত্রবা সনরীক পরেং
খম্মোইতনা উতবা
খম্মোইতনা খণ্ডবা ওবা
খরাইতনা শোকওবা
পুক্লীংগী লংলানা খরাই তানা লেংজত্রবা
মুংশি মাগীদমক্তা শেমজত্রবা সনরীক পরেং
মুংশি মানা লংনবীথ্রবনা
লেংজমনগী কান্নত্রবা
মীৎকী পিন। চান্ন চান্নহ্না
শেমজত্রবা লৈপরেংসে
কংচরী ইমা নঙগী থুয়াদা
কংলৈ পোকপী ইমা নঙগী নথোঙ খাদা
কচ্চরি ইমা ওসি
নীঙওমদবগী মৈরীনা লৈরাং ওইনা
পুক্লীংগী লৈকোন্দা লৈশাং তম্নকপী
তাটবঙ কনা খওবী উবীত্রবী
নীংবা কায়বগী নাচোমশিনা
পরেং ওইনা লেংজহ্নুনা
কচ্চরি ইমা নঙগী নকমদা
নীঙঙমদা নীঙওদনা

লেংজখ্রবা সনাগী লীক্লাং পরেংসে

লৎনখীবা তোদনা

লৌশিখীয়ুকো ইমা কংলৈ পোকপী

× × × × ×

হন্নক মপোক লাংঙন্দা

মুংশি কায়নৌ·· ······,

অপাম শেংনৌ তমখ্রবসু

হুম্রেংমুক্কী মপোক লাংঙন্দদি

চীঙুঙ্ নঙনা কুবীয়

খোইমুম নঙনা থৌজ্জানবীয়ুকো

চীঙুঙ্ নখোং থাদা

ইয়া নাপী চীক্লা

ইঙক ইফী য়েংনা

কোংয়াল চৈঙু তাবগুম

চীঙুঙ্ নকাইফমদা তুজবী × × ×

ভেংথা নাওইজহনা

অবা চৈথেং মৈচুনারবা

তোল্লবা ননাইনা

থুক্রমজবী লাইনিংথৌ,

চীঙুঙ্ নঙগী নকাইফমদা

তোল্লবা ননাইনা

মুংশি চায়বী মাগীদমক লেংজখ্রবা

পরেংগ কচ্ছরী ইবু হৌ
লংবদনা লৌথীয়ুকো ;
তাইবংবু লেপ্তোবম্ব নহাক্কী,
অপাম্ব হৃংশি শক-থঙ্কহবম্ব নহাক্কী
নীংবা কাম্ববশিংগী তেংথাকবম্ব নফমলাংমনি
হৃংঙাহবগী ইত্তীনকমম্ব নহাক্কী
পুক্নীগী নীংবা কায়না
বানা চাক্কা লেল্লগদবা পুক্নীসিনা,
নিঙদোন পোম্ব।
পুক্নী মতোল লোম্বা ঙাইহনা
হৃংশি মাবু নিংশিংহনা
পেহোননা লেল্লবা পুক্নীসিনা,
চৌঙঙ্ নখোংথাদা চংজবী
চৌঙঙ্ নঙনা খোজানবীম্ব
মম্ববা ঐগী তাইবংবু
লৌশিং মঙ্ক ল পানবীয়ু
কচ্ছরীবা সনরাক পরেংসে
লেম্বমক লৌবীয়ুকো ॥

"পুন্সিমক অরেম্বনী"

কজনা শেংহুনস্থ কনা
চাহুনস্থ অহাওবা কনা
লৈহুনস্থ মুংঙাইবা য়ুমদা
থৌহুনস্থ শগ কনা
ইকাই খুম্নহনস্থ লৈপাক্কা কনা
চাওহুনস্থ শাগৈ কনা
কন্দুনস্থ খুং কনা,
তাওহুনস্থ তাইবংগী মুংঙাইবা কথাদা
মংহুনস্থ চৎপা ইশীংতম্মা চৎনীংবা মকমদা
থরাইনা তাজবী মাগা
পুন্সি হিংবৈম্নবা ফংজ্রবা পুন্সীসিদদি
পুন্সিমক অরেম্বনি অরেম্বা ;
সনা লুপা পৈশাগী সংসারনা
তাইবংবু শক্না উহবা ওম্নবস্থ
চাম্নবী মহাক স্বাওজ্রবা ঐগী পুন্সি—,
হিংবগী অর্থ স্বাওজ্রবা পুন্সীনি পুন্সী।
মহাক্তবু স্বাওম্নবদি
মহাক্তবু লৈম্নবদি
মহাকপু লোম্বনম্নবদি
মেংওু মেংওু খুদিংমা

ফজবগী কজবা ঙাক্তবি,
চারু ££ক খুদিংমক
অহাওবগী অহাওবা ঙাইহাক্তবি
চৎলু কোয়ক খুদিংদা
য়েংনিংবগী য়েংনীংবা ঙাইহাক্তনি ;
শান্নবা কাজেনগী তুংশাদা
চাওরবা খোংনাংগী মরুমদা
ইংবা হকচৌক লাংবদা
পোথাফম খঙদনা ঙাংঙুরবা
শমু হকচাং ওইবনা,
হায়ফম খঙদনা তুংঙাইবা পোকপগুম
মঙাক্তবু য়াওরবদি
মখি শান্নবা, হিংবা মচেৎ থাক্না
কায়না মৈশা লাংলবা পুলীসে
চোংলকনি খঙহৌদনা মরোল
অনৌবা পুল্লিগী মরোল,
লৈরমগনি হিংবগী অর্থশু।

× × × × ×

চান্নবী মহাক কায়নবগী
তুংশি মাযু শেৎনবগী
কায়না মৈশা লাংলবা ঐগী ইকলবদি
পুন্নমক অবেমনি অবেবা

থুং থারবা অনাবদা
থরেং থোংবা লানশিনবগুম্বনি
চাক্লা থোংবা পীশিনবগুম্বনি ;
ঈশিং ফাওবা লেক্লৌংত্রবা মতমহুদা
ঈশিং ফাওবা লেক্লৌংত্রবা মতমহুদা ।

"ঐগী লাইবক্কনি"

মহাক্লা ইকমলাংদা
লৈতে করিস্থু লানাখিবা
অহুবু করম তৌবদগী
কীভম অসি ওইখিবনো
খঙদে হায়কম ক'রমত্তো ;
মানা ঐবু থুংশিদেস্থ
ঙমদে হায়বা শুকঙম ঙমদে,
হায়খি নোংমা ম ন —
থুংশিত্রবদি ঐনা নঙবু
তারমগদগে নঙনা হায়বা
নৌরমগমদগে নঙগী বা
ইঁরমগদগে নঙগী পাওতাক্
চাক্লমগদগে নঙগী অয়েম্বা থুংশি খাঁদাবু ;

অহুবু রাকম 'হুমদি
ফনা মুংশিহুনসু নঙবু
মাগদগে করম্না-ফীভম অসিদা। × × ×,
ইনগনি নঙনা হায়বমথৈ
ঙাকপীয়ু রাকম হুমতদি,
মুংশিবীরবদি ঐবু তশেংনা
নীংবীরবদি ঐনা নীংজবগুম
ঙাকপীগদু রাকমহুমতদি ইকাদা।
ইথুন তরা লোয়না হায়জরী নফমলাংদা। × × ×
ননাঙবু লাননসু লৌবীগদু·········
মহুদা ঐনা হায়খি—
"মহুদনি ঐনা নঙবু শাওনীংলিবসে
শাওনীংঙী নঙবু পঙশাওদা শাওনীংঙী
করিগীনো নঙনা ঐবু
ঙোহল্লীবা অসুক য়াম্না,
ওইরীবরা অপেম্বা
অসিনা নঙগী—,
খুমলকখি মহুদা মানা—
"নত্তে নত্তে মহুনা ঐগী অপেনবা
নত্তে মহুনা ঐগী অপান্বসু
লৌবীগদু ঐবু অতুক শাগ্রিমা
চংজরী নকাদা।

ঐবু য়াঙৌবীগন্নু…… .”
হংখি ঐনা—,
“অতু ওইরবদি করিগী—
নত্তনা ঐবু × × ×—,
হায়রকখি মানা ঐঙোন্দা
ঐগী য়াহংগী পাওখুম পীদনা—,
হায়বীখিবদাহ মতম অমদা
“হুংশি ঐনা নত্তবু হুংশি
অপাম্বা হায়বতু অমত্তা য় পদনা
হুংশি ঐনা নত্তবু হুংশি
হুংশি নত্তবু থরাইদগী হন্ন’.
থাজখি ঐস্থু অরেম্বা ওইনা’
হুংশিখি নত্তবু—,
লৌজখি থম্মোইদা
ঐগী থরাইগী থমোই চৈন’
থজখি লেংজ্রবা পুন্সিগী
ঐগীদমক্তা লেম্নীগদবা
কনাগুম্বা অমা এইনা,
লাংচখি থম্মোইমুত্তদা চেংনা,
কলক মীহৌ য়াওদনা।
অহুবু হৌজিক্কা কদোমদগী
য়াখল লম্বী লম্ফাংবীরকুনা।

লাক্লীবনো অপাম্বগী য়াথল
লক্তবীরিবনো ঐবু মুংশি তাং তৌহুনা
করেম্নবীরিবনো ঐব্ × × ×"
ফনা মুংশিহুনসু নঙবু ঐনা
থাকমশি লাক্লবদি
ঙমদে য়াঝৌদবা থম্মোইনা······
ঐনা মুংশিজবনি নঙবু
থম্মোই শেংনা,
অতুবু ঙসি নঙনদি
ঐগী চম্নবা য়াথলব্, লম্মুক্লহনবীরি"
মঙ্দা——,
খুমথি ঐনা ইকাই মুংশি য়াম্না
"মুংশিবগী মতুং ইল্লি অপাম্বনা
মুংশিবনা অপাম্বব্,
চৎথিদে থক হুন্দোকলমতন;
অপাম মুংশি হায়বসে
লৈতে থক তংনা খানবা
অসিয়েৌনা কল্লবা অপাম মুংশিগী ঙাইকাব্,
খুঙঙ্দবা ঐভগী ইরালনি
নঙব্ মুংশিবা পোকথি
অহানবা উবমক্তদা
পোকথি থম্মোইদা

কল্লবা সুংশিবগী ইথীল
কোংদোকখি নফমলাংদসু অতুমক
ইল্লকখি সুংশি হৈনা অপাম্বনা
খঙহৌদনা ফাওবকখি থম্মোইদা
কল্লকমীহৌবা অপাম্বগী ৱাথল
খাঙলকপি খাঙমজ্রবা সুংশি মৈচাক
নঙত্তবু ঐগী ওইজনীংবগী
থীংঙমদ্রবা ৱাথল ইল্লুলনা
ককঙাওনহনখি ঐবু মফম খঙদন
নঙবু উর উরগা
হেন্না হেন্না চাকথংলকখি
অপাম সুংশিগী মৈরীনা।
থুম্নবা থম্মোহ লকাসু দা,
নঙগী চান্ন মায়থোং উরগা
নঙগী সুংশি শঙম মায়রোক্লকরগ
খাঙধম নৈফম খঙাখদে,
ইকাইবা ৱাংমা লান্না
কোংদোকচখি নফমলাংদা
অহুবু ফংলে ঙসিদি কায়না মৈচাক
লাংলে খাঙমজ্রবা কায়না মৈশাদো
ঐগী লাইবক অসে
ওম্মোক্না থীগ্রমাল্লে

মপোক অসিমগী —,
অপাম মুংশি মশক খঙ্গুডম
অপাম্বগী ভাইবং উরম
মুংশিবগী সংসার খঙ্গলগম
ইমোনদা পামজবা
ইথবাইনা ভাগ্না
খোইদজবী মাগতদি
লৈমীরবা ফংলমু ভমথুবোই—
চাম্নথেইবী মান' অশাও মৈকান্দুনা
ভাংজ লুকথখিবা
নাপ্পা শেন্দানখিবদি
হন্দক মপো'ক লাংওনদি
অপাম কায়নৌ
পাম্মু শেংনৌ ভমথুবোই—
ঐগী হাংলবা থম্মোইদা
মুংশি মারু পুন্সীগী ওইনা ইরাংচরুবা
মুংশি মাগী মুংশি রাথন্দা ভাওজরুবদি
অসিগীদমক ওইরেকো
অসি ওইরেকো ভাইবংপান
অসি ওইরেকো মু শিবা
নুত্তে নত্তে মাগী মরাল
পুন্নমক কমাগীম্মু মরাল'নত্তে

"ঐগী লাইবক্ন্নি
মা ঐগী লাইবক্তা
অশুম ওইযু 'তমলম্বননি × × ×
নত্তে ম'না ওইনিংহনা ওইখিবা
পাম্মী মাম্মু ইংনা চীক্না মুংঙাইবা
পাম্মী মাম্মু মুংশি পম্মুং য়োমীম্নবা
নীংজৈ মাম্মু মুংশি কাদা থুংজবতব্
নীংজৈ মাম্মু অপাম কাদা থৌজবতব্
অপাম মুংশি থুংনা
হি হি নোক্না লৈমীম্নবা
তাইবং পান্দা ফংঙমজবা পুন্সীদে'
কল্লকই মাম্মু কঃকই
ইনাক খুনবম্মু থম্মুদে থোহনা
নাচুংঙুদে মানা
লাইরবম্মু থম্মুদে হম্মনা
ইংনা চীক্না মুংঙাইবা
মুংঙাইরবা পুন্সীদো
চীম্না চাম্না লৈমীম্নবা
খুদিংমক্না মীহোনরীবা × × ×
পাম্মী মাম্মু পাম্মী মাম্মু
'তব্ নোংদম্বা মানা কীনা তম্বীরম্মী—;
মা ঐগী লাইবক্তা

অম্লম খোকউ তমখিবনা
খেৎপা য়াত্রবা নোংময়নী
নোংদমখোল ওইবনা
খোকখিবনি খুদিংমক খোকখিবনি
নত্তে নত্তে মাগী মরাল নত্তে
মানি পুম্নমক ঐগী লাইবক্কনি।

× × × × ×

শুক শুনা মম্লবা ঐগী য়াথলবু
কোরৌগী মশেক মঙাল বৈবগুম্না
লৌশিং মঙাল পীবীরীবী
মাগী হুংশি লাইজ থকচরবদা
পুন্সিদা অনৌবা মঙাল ফংথিবী
তাইবংদা কোয়না থীবদা
তাংনা ফংজমত্রবী
ঐগী থম্মোয়বু হুথিবী
ঐগী য়াথল লৌশিংবু
অনৌবা মৈরা চুথংলক্বী
তাইবংদা অনী শুত্রবী
ঐগী থম্মোই লায়ুমকদি
চীক্লা ইরাংচরীবী
হুংতিগী পুজা কচ্চরীবী
চান্নথোইবী মাগী নত্তে মরাল

নত্তে মাগী মন্নাল
মানি পুন্নমক মানি
ওইখিবনি ঐগী লাইবক্না
মানি খুদিংমক
ঐগী লাইবকনি ॥

"অরোইবা কায়নবগী য়াথং"

পীরম্মী মানা ঐঙোন্দা
অরোইবা কায়নবগী য়াথং
পীরম্মী হুমিৎ অহুদা ঐঙোন্দা
অরোইবা উনবগী তাঙ্গা ;
পুন্সিগী অরোইবা উনবগী পুংফম ,
চৎখি শংনবা মীকুপ্তা নীংঙাইদনা
থাদোকলমহুনা মফমহুবু নাচুংদনা
নৈহৌই ঐনা চাক্লা চাক্লা .
য়ানীংদা য়ানীংহ্ম
লৌহৌই বীদাইদো পামদা পামদা ,
মথা ভাবস্থ ঙমহৌদনা
নৈহৌই ইদোম কুপ্পুনা

নুংশি হৈত্রবী মাবু লেংহুনা
মীংনু পীরাং চীঙ্হবা মখে।
চংখি মাদি তম্মাং তশোম্বনা
চংখি ঐবু তুংওইনরম্মগা
খিংথা'না হৈন্নীংনা
চংখি থাদোক্লমহুনা মকমহু
পীরম্মগা অরোইবা কাম্বনবগী য়াথং।
চংলুবদা উনবা
সুমীং অহুদা ঐনা
লৈরমলে মাদি হাম্বনা
অশাও মৈরী নহুনা
থাম্বী মৈনেংননা
লৈরমলে অয়োৌবী শাওহুনা
খঙদে কনানা করী হায়জীনরম্লবনো
খঙদে কনানা করী কামশিনলম্লবনো
ঙকই ঐদি পুমঙক ঙকই।
খঙদে মানা তৌরিবসে করিনো
মম্মী থবদা মম্মী ঐ পুক্মম......
করম্বা চীরোলহৈবী হৈবনা
করম্বা হিগায়রা তৌশিল্লম্বনো
থাজীল্লম্বনো কররম্বা চীনগায়রা
খঙদে ঐ খঙদে × × ×

খৌনাইদবী খৌনাইদবা
মীরা ভাংনবনা মখৌ ওইবা
খৌ লৈতনা শাইনানবী
শকহেন্বা কনাগী থুশিনদগীনো
মানা ঐবু অচুক শাওখ্রিবা....... ।
মরম ইলৈ লৈতনা শাওবদি
ওইরমলে'ই থক ওইরমলোই
নত্রগা ঐনা থাঙ্‌ কারন চনখিবা
চীন পুথখিবা, হুলানহনা ভাংখিবা
লৈবকনো থঙদে ঐ,
নত্রগা থারেম শুই ;
লেম্বা হৈতে হায়রহনা
লেমহনবীংহনা মতোরিবা
হায়স্ত হায়খি মানা
ঐভোন্দা নোংমা—
পাম্মী মাদি মুপা অমা ওইবগী
চিংলেম্বা মুপা ওইবা মতোদো
চেলহন্নীংভী অচুশুমবা শুপহ
ওইহন্নীংভী অচুশুমবা মুপা ॥
× × × × ×
ঐগী মরমদা থম্বী য়াম্মা
য়েংশিন্বী কুপ্পা

লৌই পাওম্ন তোইনা
ঐগী পেন্দবা মতৌ উবদা
ওইৱগনি ঐবু শাওবা শোয়দনা
× × × × × ×
খঙঙী ঐস্নু মমৈদদি
খৱা মখৈ খল্লুৱগা—"
ঐগী শেমবা খোক্লরোইদবা
মতৌবু উৱগা কায়ৱরোই খন্দুনা
ওইরৱোই ওইহল্লীংবা মওং
ঙম্নরোই ফল তাবা
পঙলবা ঐগী পুক্সিসিন।
খন্দুনা অস্থুম্না মানা
পামখিবনি লাপথোকপা ঐডোক্কগী—"
লাকপদা ঐনা মাগী মনাক্তা
উংথি হৈনিংদবা মতৌ
খঙঙী ঐস্নু মানা তৌবা খুদিং—
'হুবু খঙশিন্নদা শাহুনা
লৈখি মাগী মনাক্তা লেপ্তুনা
ৱা মচেৎ অমত্তা ঙাঙদবমখৈ
তৌখি ইঙ্গীৎ কয়া মমাম্নবীহুদা
খামখি মানা চৎকে তৌরুবী মমাম্নবীহুবু
খঙঙী ঐস্নু তৌরীবা পুম্নমক

থল্লী মনাক্তা চংলক্তুনা
করিম্নু নৈতবা রাদা
মুক মুক নৈহুনা নিপা থোক্তবা রাঙ ংন'
ঙুঙলথনি'মাগী মনাকোংদা
অপংবা ঐগী হৌনবী
করক ইত্তা তানা
নাইত্তে ইচা চাদনা · ··
পাথংচৈ মানা মতুগীদমক
চোপকত্রা থল্লী ক'বিগুম্বদা
চী'নবনা ম'ংঙইনহুনা
চংখি থুনা মফমতুদগী
নৈহৌই চাক্না থেংহুনা
থেংলকখিদে মাদি হল্লা ফাওবা
মমল য়াওত্রবা ঐগী
কায়রবা থম্মোইসি পুহুনা
চংলসিগেনে মফম কৈদা · ·· ।
হে। তে'বানবগী মপু ইবুংঙো
অঙকপনিদকো নঙগী থৌশিল
মা ঐগী থম্মোইবু
অম্নুক থেংননা শেম্বীরম্বদি—
কয়ী মতৌ কৌবগেনে থোইযুম
ওম্মোক্না নীঙমখিত্রেদকো থম্মোইসে

হে ! ঐগী থম্মোইগী লল্ ওইরীবী
ঐগী পুক্নিংগী লৈকোন্দা
ননীংঙম্মা শান্নবগী
থুপ্লবা থম্মোইগী ক'চিন্দা
চরাংতুনা থমজরীবী
হুংশি থোইবী নঙবু
ওস্থোক্লা হুংশি হৈত্তেদকো ;
নঙবু মী নত্রবরনে ?
রাথলগী ঈপাক্তা লুপলিচৈ অস্থম্না
তাখি থঙহৌদনা খোঞ্জেল অমা
"কাওরোকো নঙস্থু ঐবু
কাওরগে ঙসিদগী ঐস্থু নঙবু……"
খাঙখি নাকোং অনি মেন্দুনা
ত'ঙমত্রবা খোঞ্জেলহু তাবদা
পীরম্মী অস্থম্না মানা
অরোইবা কায়নবগী য়াথং ।
নঙনা ঐগী থবাইনি
থবাই নঙনা চংশ্রবদি
ঐদি করম হিংগনি
করি ওইরনি ঐগী তাইবং
করি ওইহৌরনি ঐগী পুন্সি
চংশ্রে নঙদি পীরম্নগা

অরোইবা কায়নবগী য়াথং
লৈহৌরে ঐদি নঙগী,
থায়মা মৈচাক পুহনা
থঙদে করম্বা কানয়াই পুময়াই য়াওবনো
ঙমগ্রে য়াদদি মকাওবা
পাংনা পাংনা তুম্বগুম্রে
চৎনা চৎনা মঙ মঙগুম্রে
লৈরে নঙবু উহনতা
রাথল মুংগী অতিয়াদা
তাবা নাইত্রবা সুমিৎবুয়া
লৈরেনে মুংশি নঙনা ঙাংম্বু ইহনা
অহুবু চৎখ্রে নঙদি
পীবয়গা অরোইবা য়াথং
অপান মুংশি চেংনবগী
মুংশি চাম্না কায়নবগী,—
চৎখ্রেনে নঙদি নীঙ্ঠাইদনা ,
ঐগী রাথল পুম্বা
থম্মোইমুংদা মাঙখ্রেনে
× × × × ×
নঙবু নঙগী মুত্তিবনে
লৈখোম্না শাবা শক্তম্নে
নত্রগা মচু শঙলবা লাইফদীবীরা

করিগীনো ঐবু অসুক য়াহল্লীবা।

× × × × ×

ইঙান ঙাম্না সুংথিল পোবোগ্না
ঐবু মংলাক্নহনলম্নগা চৎখিবদি
নঙবু মীত্রংগী ঙাইবংদা
লাকপা শক্তমলা ?
করম্বা মত্র পুহনা
শুধীরমীবনো ঐবু
ঙাওহল্লমীবনো ইঙন ঙম্না······
থবাই মীরেন কাওনা
অশেংবা সুংশিবগী শক্রোনবু
উৎলম্নগা ইমাংদা
লৈখ্রে নঙদি নাথৈহনা।
উশিন্নদনা করিস্ত,
ঐগী সুংঙাইতবা শক্তমবু ;
চৎখ্রে নাচুংদনা
থাদোকলমহনা ঐন্সু
পীক্ল্গা অরোইবা
কারনবগী য়াথং।
তাওখ্রে নঙদি
তোঙাম্বা তাইবং অমদা
চৎখ্রে নঙদি ঐবু হন্দোক্লমহনা

অপাম খোংগুন তিনীংবা
নুংশি হৈনা নুং ইনজনীংববু
লংনখোং থ্রিংবিরবনা
চীংনা চীংনা খেংহ্না
ইদোম তরক লৈহোরে
নুংশি মৈচাক পুহ্না
থাম্বী মৈনা চাকপগুম
মৈরী ফনা চাকথংলক্লবা
নুংশি মৈচাকী মৈরক্তা
ওন্না খোইনা থাগতহনা
লৈহৌরেনে ঐদি ;
পুক্নিংগী আশা পুম্বা
পুক্নিংদা কংখ্রেনে লোয়না
নুংশি লম্বীদা—,
নীংবা কায়রবগী হকমদদি
ওইহোরে থুদিংমক
অমম্বগী অমম্বা ঙাইহাক্তা
লাক্লবোই অঙাংবা অমুক
লাক্লবোই ঐগী পুন্সিদা
চংশ্রবদা নঙনা ;.........
কায়ননি থঙনা 'নুংশিক্লবনা
ফংলমোই থঙনা পামজক্লবনা

কাপ্পহৌরে খম্মোইদমক
চৎখ্রে যাদি— পীরম্মগা
অরোইবা কাম্নবগী যাথং ।

"কারনা মৈচাক"

করম্বা ময়াম য়াওবনো থওদে
নঙবু কাওরগে,
নঙগী বাখল খল্লোই হোৎনক্লবা শাই
ঙম্বা কৌবা লৈতেদকো চাম্বী ;
করী মুংগী নংবু থেংনক্লবনো থওদে
কয়ামমুক য়াম্না নহান মপোক্তা ফংলক্লদুনা
ঐনা নংবু থেংনক্লরীবনো থওদে ।
ইনিং ঙম্মা মুংঙাইনা, পুক্নীং মকাৎলাম্না
অবাবা মশক থওদনা
চম্বা বাখল্দ পন্দিংদা তাওদুনা
লৈজরম্বা ঐসে
থেংনক্লবদগী মুংশি নংবু
লাংলে ঙসিদি অবা মৈশা
ফংলে ঙসিদি কারনা মৈচাক

মুংশি নওংলাংগী
কংলে ঙসিদি মুংশি মৈচাক ;
পোকতৌদগী থঙজরকত্রিবা
মুংশি মৈচাক হায়রবদো
থঙজরে ঙসিদি হাকথেংননা
পুঙমত্রবা মৈচাকসে পুত্থনা
লেপ্লী ঙসি নীঙমত্রবা পুক্নসিনা।
হরাও মীনোক ভম্বতনা
ঐগী ইশক্লক ওইরবদো
ওইরে ঙসিদি অরা মৈশা ল'"বতনা × × ×
অতুক মুংশি থঙদবী ন'না
করম্না ঐগী থম্মোই হুমরীথনো থঙদ,
ঐবু থনম্ভু থনবীরোইদবদা
ঐবু নীংম্ভু নীংবীরোইদবদা
করিগীদমক্তা মুংশি মীনোক্না
ঐগী থম্মোইবু শুথীরম্লীবনো,
করম্বা রাথলনা লমজাং ওইত্থনা
ঐবু অরাবা ঈপাক্তা লংথবীরম্লীবনো।
করিগী ঐবু মুংশি
মৈচাক্না চুবীরম্লীবনো।

× × ×

৬.. ... অতুক শাথীনা নংনা ঐবু

লাপথোক্লগে থনগ্রবোইদকো
অছু য়ৌনা মুংশিবিরোইদবা লৈরবদি—
করিগীদমক্তা মুংশি মশক খঙহবীরম্লীবনো ?
মুংশিবু শাম্নপোৎকুম্না থনঙ্গী
মতমগী হেলোইনা শাইওনবীরা নংবু
করম্বা ওইদবা শক্তম লৌহুনা
পাংলবা ঐবু ওক্সাৎলরিবনো,
করম্বা মঙালগী মৈরীনা
চুররীবনো মুংশি মৈরী ওইনা
চাকহনবীবনো ঐগী থম্মোইবু
থাঙজমত্রবা মুংশি মৈচাকসে পুহঁনা
বানা লেন্নী নীঙজমত্রবা পুন্সীসিনা
পল্লম্নবদি নংগু মুপীগী থম্মোই
ফংলখিনি নোংমদি শোয়দনা
ঐনা চাক্লীবা মৈচাকসে
খঙলখিনি নোংমদি শোয়দনা
কয়াম বাজবা ঐনা নঙগীদমক
খঙলকখিনিকো নোংমদি শোয়দনা

× × ×

ভেংবানবা মপু ইবুংঙো
ননাইগী অরাংসে উবীত্রবোইদকো
ননাইবু করম্বা মতমদা

কারনা মৈচাক্কী অরাবসে কোকদগেনে।

× × ×

হ!! নহাক্কা ঐবু অহুক হাকথীথোক্না—
ভীমনীংঙ্গবকো!
ঐবু নংনা অহুক শাথীনা পোরবা।
মালি পৌকম থোকই,
ঐদি থাইদগী ফত্তবনি,
ফত্তবা মীশিংগী মঙুংদগী
থোইনা হেক্লা ফত্রবা মীনি
ঐগা নকশিন্নকরবদি
মাঙগনি নংসু মাঙগনি
চংলক্কনি নঙোন্দা পৈগী ফত্তবসু
ঐদি মহীক্কী মহীক,
মী ওইরবসু মী নত্তে
মাল্লি ঐদি মহীক্কি মহীক্কী
ফত্তবা মহীক্কা ওন্না
মী থুদিংমক্কা তুক্কচনীংঙাই ওইরবা
মহীক্কী মহীক।
"মী"-ওইবা নংগা নকশিন্নবা মতৌক চাদে—
কন্নীগীদমক্কা মী ওইরবসু মী নত্রবা ঐনা
নকনীংলুরিবনো মঙগী ননাক্তা
মদি পুম্নমক ঐগী ইরাদনি

মত্তীক চাদে খঙনা
ইত্তীক ওইদে খণ্ডনা
থীক নেম্বনা থা লাম্লবনা
কংলিবনি গুসি কায়না মৈচাক।
মীগী মপুক খঙদনা
ছায়া থাম্মোই লাম্মোক্লবা,—
ঐতগী ইরালনি,
ঐতগী বাজনবা শিঞ্জবনি।
মানা ঐগী থম্মোইবু খঙবীগনি
মাম্ম থম্মোই পাম্বীনি
মুংশি মশক খঙবীনি
থম্মোইমুংগী মুংশিবদি,
থম্মোইতনা খঙগনি খল্লুবা
পংলবা ঐতগী ইরালনি
ঐতবু বাজনবা লাং থাকচবনি
ঐনা থাকচবা লাংদা
থুজবনি ইদোম।
মুংশি মৈচাক্লা কারবা
মুংশি মাবু কাওবম্মু গুমজবা
অপাম মৈনা চুরবা পুল্লীনা
লৈত্রে খতৈ খল্লীংঙাই মুক
মতুংলাংগী কপা কপা লেম্বা নত্তনা—

অরাবা মৈথুরক্তা মৈচুনররা পুন্সীসিনা
ঙংশি মাগী কায়না মৈচাকসি পুহুনা
ঙংশি হৈত্রবী মাবু নীংশিংহুনা
নীংবা কায়না কায়না
লেখা ভাগে অম্সুম × × × ৮

"লমজীং মৈরা"

তরং নোংদোঙ-থক্তবু
তরং তরং থোক্লীবা
মেরা থাগী থানীলনা
অমম্বা অঙ্গীংবু ঙালহৎবগুম
ইশানৌ মাগী লাইবক্তা
তোমখীন ওইনা ঙাক্লিবা
অনিস্রুব্রা থাজনা
থম্মোই ফাওনা ঙাম্দুনা
বাখলগী অমম্বা কোকহৎনৌরি ;
লৌশিং মঙাল শীবিরি ।
চীংলাই পকপা লাইবক্তা
নোংঙাল্লমদাই শজীক্কুম

চীরা ঈংনা ঙাক্সীবী
নীংথীরবী থাজদো
কালেনগী হুংখিল পোবোগ্না
কোরৌহম্বনা ঙালগুম্মী
হুংশি মাগী লাইবক্তা ।
থাজহুগী মশেরা
অরা মৈশা লাংলবা
হুংশি নীংবা কাররবা
হ্নিংনীংত্রবা ঐগী পুক্সীদা
ফঙাল ফ্রদোংনা বৈহুনা
মমবা ঐগী তাইবংবু
নোনা আশা পীবিরি
লৌশিং মৈরা চুথংপীরি,
শোংলবা থম্মোইগী মোংশোংবু
শেংদোকপীরি মহাক্না
লমজাংবীরি ঐবু
অরা মৈশা লাংত্রবা
কলক নীহো লৈত্রবা
শোরারেলগী লৈবাক্তা
অমরাবত্তিগী লৈকোন্দা
পুবীরি ঐবু
অনৌবা আশাগা লোয়ননা ।

"কল্লকই মাগী থম্মোই"

ভাকুপীরম্মী মকোক অহুম পানবনা
ভাইবং প৷ম্বগী ৽ মন্নুংদা
অরাবা মশক থঙ্ত্রবা
মুংঙাইবনা মশরুক ওইরবা
পোকপগী মহৈ য়াল্লবা
পূজী মশক থঙলবা
ঐ মশক থঙ্লবা
য়াইফবা মপোক হায়রবদুদি—
অমম্বা য়াথল থারবা
মুংশিবনা খুত্থম চল্লবা
অয়কপা লৈত্রবা থম্মোইনা
লৈতেং মাগী ওইরবা
ঈংনা পানবা পুজীদো
অক-মুংঙাই ফংলবা
য়াইফবা মপোক কৌবনি।
মীওই অসিঙুমদি—
মলেম ভাইবং পুম্বসিদা
ফংগনীবু থল্লুদে ;
জুংশি চায়বী মকাঙ্গী
থাঙ্গত্রবা মীশকো

লেপ্পমকপু ওইরম্লে।
মপুগী মঙ্গাল কংলবা
থম্মোই মৈশা লাংত্রবা
পুক্লিংগী অথুপ্পা লৈকোল্দা
অচিকপা মফম ফংখ্রবা
কল্লবা ম্নুংশি মৈচাক্কা
চাকথেকপম্নু ওমত্রবা
নীংওমদবা কায়বগী মৈথুনা
মচু ওলহনবা ওমত্রবা
ম্নুংশি মাগী থম্মোইতবু
কল্লকই ঐনা কল্লকই।

“শকলী ঐনা ঈশৈ”

শক্লী ঐনা ওসি ঈশৈ কয়া
শক্লী লেপ্পা কৌবা লৈতনা
কয়না মৈচাকী শৈহেক্তা পান্দুনা
লোয়বা নাইদ্রবা ঈশৈগী শুরদা
শক্লী ঈশৈ শক্লী ঐনা
নংশিংদবা ওমত্রবা মাবু নীংশিঙ্গনা
নীংবা কায়বগী লৈকেন্দা ফমদুনা
শক্লী ঈশৈ কয়া লেপ্পুনা শক্লী .... ॥



কল্লি মুংশি

ময়াম

ঙমদে মাবুত্তদি কাওহবা
নীক নীক লাওরবা
অরংবা লৈক্লী মনুংদা
শঙ শঙ লেপ্পমই মুংশি মানা,—
মথা তানা থকপা ঙমদে,
মঙীক লৈবা নীশাদো।
মুংশি মাগী কাদদি
লায়না মায়থীবা ফংখিদো।
অরাবা ঈশৈ শকপা নত্তনা
লৈত্তবনা কৈদম্ভু ঐগী পোথাকম
শকখি ঐনা ঈশৈ কয়া
লেপ্পা কৌবা লৈতবা
শক্লী ঙসিসু ঈশৈ
শক্লী ঐনা অরাবগী ঈশৈ
কাওভমত্রবা মৈচাক কাওবা ঙম্বা
কায়রবা থম্মোইগী পোথাকম ফংনবা
শক্লী ঙসিসু ঐনা শক্লী
অরাবগী ইশৈ কয়া লেপ্তনা॥—

অহানবা খুৎনম, জুন ১৯৭৯ ইং।

হান্না কোংখ্রবা

"লৈশেমলোল"

(য়েকখুলাই লিখুন থিরেল)

মপ্পকম ঃ— ইবোয়াইমা প্রিন্টর্স, মোইরাংখোম লোকনাওবুং, ইম্ফাল।